[illegible]




[illegible]




[illegible]







[illegible]



[illegible]


## [illegible]/INDIAN PASSPORT LOST

I have lost my Indian Passport bearing No. GU 4065792437825 on the way from Kiyamgei to Kongba on 08th October, 2026.

Finders are requested to hand over the same to the undersigned or to the nearest Police Station.

Sd/- **Md. Atiqur Rahman**
Maibam Atiqur Rahman
Kiyamgei Takhok Mayai Leikai,
Imphal East, Manipur
# 6909692465

SL/Ath/10

## [illegible]/NAME CORRECTION DECLARATION

I am serving as HC (GD) bearing Personal No. 12150228 of SSB Bijni (Assam) PIN–783390 and natural father of **Kripson Khangembam**. In my service record, my son's name has been wrongly recorded as **Kripshan Khangembam** instead of **Kripson Khangembam**. The two names of my son i.e. **Kripshan Khangembam** and **Kripson Khangembam** are one and the same person.

I have declared to make correction of my son's name as **Kripson Khangembam** in my service records as per Aadhaar Card of my son bearing 9092 1875 0176 so as to avoid any complicacy in future vide Affidavit before the Notary/Oath Commissioner, Manipur at Imphal dated the 8th day of October 2026.

Sd/-
**Khangembam Arunkumar Singh**
Mongsangei Makha Leikai, Irabot Road
Imphal West District, Manipur

SL/Utm/10

## [illegible]/DOCUMENT LOST

I have lost my original Statement of G.P.F Account for the year ended March 2023 and 2024 bearing Account No. DVO/I/282, EIN: 004959 of Treasury Office, Imphal East on the way in between my residence to Lamlai Bazar on 28/09/2026 and in spite of my vigorous effort for tracing out the lost document wherever possible and it is still remain untraceable till date. The same has been declared vide Affidavit before the Oath Commissioner, Manipur at Imphal dated the 7th October 2026.

Sd/-
**PEBAM IBOMCHA SINGH**
Takhel Mayai Leikai
Imphal East District, Manipur

SL/Sush/10


## ঙসিগী রাষি ফল (১০-১০-২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)**

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাওনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** অমা নৎত্রগা অমা খনবা তৌরগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। থাজবা মীওইশিংদগী হৈশিংগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। শান্তি লৈরোই।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চরাংনগনি।

**বৃষঃ** হোৎনজমন কান্নবা, চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা, শেল ফংবা পোৎ লৈবা য়াবা, শক খঙবীবা হেনগৎপা চৎথোক চৎশিন্দা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**মিথুনঃ** হৈশিংনা চেকশিন্না হোৎনজগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি অচৌবা লন্থানবশিংনদি চানবীরগনি। অরাপ্পা চৎপা হৈশিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – পুক্লিং চংলোই।

**কর্কটঃ** শাউদবা তপথবা ফগনি। মসিনা অফবা ফল ফংলগনি। গাড়ী তপ্না থৌগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈশিংগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**সিংহঃ** চরাংনবা নুংনাংবা নুমিৎনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা চৎপা তৌরগনি। মকোক ওইবশিংনদি চানবীরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**কন্যাঃ** খল্লুদবা পামদবা থেংনবা, তোখাই তাবদা কল্লকপা হেনগৎপা ওইরগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি শাগৈনা য়েংথিগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেৎনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

**তুলাঃ** হেন্না লুশিন্না খনবা নিংঙমদবা, থবক্তা হঞ্জানবা নুমিৎনি। হৈশিংনা চেকশিন্না হোৎনজগনি, লন্থানবশিংনদি চানবীরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

**বৃশ্চিকঃ** তিন্নবশিংনা অর্থ লান্না লৌবদগী তোখাই তাবা থেংনরগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈশিংগনি। থবক্তি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখল চঙলোই।

**ধনুঃ** হকচাং ফবা ৱাৎলগনি। থৌরমদি মায় পাক্লগনি। মকোক ওইবশিংনা চানবীরগনি। চৎথোক চৎশিন্দা মীতিন্নবদি চেকশিলগনি। শান্তি লৈরোই।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল চান্নরোই।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

**মকরঃ** থবক্তা হোৎনজমন কান্নবা মিংচৎ হেনগৎপা, মরুপ মফম ফগৎপা, শীংথাবীবদা য়াওবা, লন্থানবশিংনা চানবীবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, থবক্তা মায়পাকচবা মতেং পীবীবা হেনগৎপা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা। ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী– বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**মীনঃ** খৎননিংবা অশাউবা লোয়নরগনি। গাড়ী তপ্না থৌগনি। শাগৈনা য়েংথিবা, তিন্নবশিংনা মীগী মীচংদা লৈখিবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Evil Sana Suduku-1103**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | | 7 | 9 | | | | 4 |
| | 8 | | | 3 | 1 | | 5 | |
| 9 | | 6 | | 4 | | | | 3 |
| 1 | 6 | | | | 3 | | 4 | |
| | | 7 | | | 6 | | 3 | 9 |
| | | 3 | 4 | | | 7 | | 1 |
| | 5 | 4 | 3 | | | 1 | | |
| | 9 | | 1 | | | 3 | | |
| 6 | | | | | 5 | | 7 | |

সনা-সুদোকু-১১০৩গী সোল্যুসন লমাই ৭তা

## এডিটোরিয়েল

লাংবনগী ৩০ পানবা থাংজ, অক্টোবর ১০, ২০২৬

[illegible]

## ঙসি মেন্টেল হেল্থ নুমিৎনি

### মীয়ামগী পুক্নিং ৱাখল নুংঙাইবা হায়বসি লৈঙাক্কী মখা পোল্লি

মণিপুরীশিংগী মেন্টেল হেল্থ পুক্নিং ৱাখলগী ফীভম নোংম নোংমগী ফৎচিল্লক্ত্রবসু থাগৎনিংঙাইহদি ওইরি। মণিপুরনা নিংতম্বা ফংলকখিবদগী লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক মখল মখা কয়াগী অচৌবা চৈথেং ফংদুনা লাকখ্রে। মচা কায়নবগী, মপুরোইবা হাৎতোকপীখিবা, ঈ মতুমদগী চাউনবা য়োকচরকখিবা মচানুপী কয়া নুপী ওইবিগী ইকায়খুন্নবা মাঙহনবিখিবা অসিনচিংবানি। আর্মড ফোর্সেস স্পেসিএল পৱার এক্ট ১৯৫৮ চৎনরকখিবদগী ফেক ইনকাউন্টরদা মীওই লিশিং ২,৫০০ হেন্না শিখিবা। মসিগী মথক্তা তশেংনা খুৎ থোক্লবদা শিখিবা কয়া অমদি মশা ফাওবা মাঙহনবিখিবা কয়াগী কাউবা ঙম্লরোইদবা থম্মোয় তনিক-তনিক্লা খাঙখিবা অকিবা ফংলবা থৌদোক কয়া মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী থোক্লকখিবা কুকি টেরোরিষ্টশিংগী লাননা মরম ওইরগা মীওই লিশিং ৬০ হেন্না লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অমদি মৈ থাদোকপিখিবদগী অৱাবা ফীভম ঙসিসু মপুং ফানা কোকপা ঙমদ্রি। লাইবক থিবদি ঙসিসু অদুগুম্লবা অকিবা ফংলবা থৌদোক ৱাথোকশিং অদুমক লেপ্পা লৈতনা থোক্লি। তশেংনা হায়রগদি মণিপুরীশিংনা থেংনরিবা অমদি মায়োক্লদুনা লাক্লিবা অৱাবশিং অসি য়েংলুরগদি থৌনা ফনা পুক্নিং ৱাখল শোন্থদনা মেন্টেল হেল্থকী ফীভম য়াম্না ফনা লৈরি হায়বা য়াই। মণিপুরীশিংগী থৌনা পাঙ্গল থাগৎনিংঙাইহনি। অদুবু হেন্না অৱাংবা থাক্তা কাখৎনবা, চাওখৎপা ঙম্নবা অমদি ইরমদম মীতোপ মীয়ানচাশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবগীদমক লৈরিবা থৌনা অদুগা লোয়ননা ৱাখল লৌশিং পূন্নমক পুথোক্তুনা মীৎয়েং শান্না থবক তৌবদি য়াম্না মথৌ তাই। ঙসি মালেমগী লৈবাক শিনবা থুংনা ৱর্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দেগী থৌরম পাঙথোক্লরি। ইন্দিয়াগী ওইনা মেন্টেল হেল্থ দিসওর্দরগী চৈথেং ফংবা মীওই ক্রোর ১৫ লোম লৈরি হায়না পানরিবনি।

মণিপুর ষ্টেট অসিগী ওইনসু পোপ্যুলেসনগী মতুংইন্না মীওই চাদা ১৯.৯ লোম মেন্টেল হেল্থ দিসওর্দরগী প্রোব্লেম লৈ হায়রি। প্রোব্লেম অসি নেসনেলগী থাক্তা য়েংনরুবদা মণিপুরনা তঙ্খায় অমা হেল্লি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। নেসনেলগী ওইনা মেন্টেল হেল্থ দিসওর্দরগী প্রোব্লেম লৈবগী চাং অসি চাদা ১০.৬ নি। অদুনা ষ্টেট অসিগী ওইনা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাইহনি। ঐখোয়না তশেংনা তরং-তরংনা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদবগী ৱানি। মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা পুন্সি মহিং অসিনা মরম ওইরগা পুক্নিং ৱাখল শোন্থবা অমদি মেন্টেল হেল্থকী প্রোব্লেম লৈবা মীগী মশিং অসি য়াম্না হেনগৎলকখ্রবনি। মসিনা মরম ওইরগা সুসাইদ তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওইহল্লিবনি। লমদম অসিগী মীয়ামগী পুক্নিং ৱাখল নুংঙাইনা লৈহনবা হায়বসি লৈঙাক্কী থবক থৌশিলগী মখা পোল্লি। ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অমদি মীয়াই চল্লবা মীওইশিংদা হৌজিক কাউবগী চাং অসিসু য়াম্না ৱাংখৎলকখ্রে। অহল ওইবশিংনা পোৎচৈ কাউবগী খুদোংচাদবশিং অদু ঙসিগী মীরোল অসিদসু মায়োক্লরে। থৌওং অসি অফবা নত্তে। লাইরিক তমদুনা লৈগদবা নহা কয়া অরানবা লম্বীদা চৎতুনা লৈরি। ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ইপাক্তা তাউদুনা লৈবা কয়া অমসু য়াওরি। খুন্নাই অসিদা চৎনরিবা সিষ্টম শেমদোকহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। ঙসি ঙসিমক নহাদগী হৌরগা অহল ফাওবদা দিপ্রেসন লৈবগী চাং খম থেংনা ৱাংখৎলকখ্রে। লোয়ননা সুসাইদ তৌবা মীগী মশিংসু হেনগৎলক্লি। পূন্নমক অসিগী হৌরকফম পুক্নিং ৱাখল লৈতানা লৈবা ঙমদবদগী থোক্লকপা ঙাক্তনি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক থৌনা লৈ হায়বা ভাবনা শাগৎপগী থবক থাদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে। তশেংনা মণিপুরগী মীয়ামগী পুক্নিং ৱাখল অমদি হকচাংগী ফীভম কা হেন্না ফবা হায়বদুদি ওইদ্রবনি। অদুমকপু প্রোব্লেম খুদিংমক অৱা অনা থিদনা থেংনবা ঙম্নবা হোৎনবা অসিমদি থাগৎনিংঙাইহনি। থৌনা অসি অচুম্বা মায়কৈদা পুরগদি অমুক্কা হেন্না অফবা অমদি চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীচম মীয়াম্বু অচুম্বা মায়কৈদা মমায় চুম্বনা পূন্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।

# ৱার্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দে ২০২৬ঃ

# নারুরবা মীওইশিংবু পোলিসি /প্রোগ্রাম শেন্বদা শরুক য়াহনসি হায়রকপা




**– ডা. রোবিন্দ্রো খাঙেম্বম –**

*সেনিয়র সাইক্যাত্রিষ্ট, মণিপুর হেলথ সার্ভিসেস*

নুংঙাইনা শান্তি ওইনা হিংবা হায়ববু করিনো? নাদ য়েক্তবা (ফেজিকেল ৱেলবিইং), পূক্নিং ৱাখল হরাও তয়াম্বা (মেন্টেল ৱেলবিইং), অমসুং খ্বাই পুন্নমক্কা অফবা মরী থম্বা ঙম্বা (সোসিও এনভাইরোনমেন্টেল ৱেলবিইং) হায়বনচিংবা মওং অহুম অসি মেন্টেন তৌদুনা হিংবা ঙম্বা অসিবু ওবরওল ৱেলবিইং হায়না খঙনৈ। অহুম অসিগী মনুংদা অমদা হেক্তমক শোয়থরকপা মতমদা নুংঙাইনা হিংবা হায়বদু হেক্তমক ওইথোকপা ঙমদে। মেন্টেল ৱেলবিইং হায়বসি অসুক্কী মতিক মরু ওইখ্রবা কম্পোনেন্ট অমনি হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কা হেক হেক কাউথোক্কে। পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা য়াওরক্লবা মতমদতা মেন্টেল হেল্ঠপু নীংশিংবগুম তৌনৈ। তশেংবদি মেন্টেল হেল্ঠ অসিদি মীৎকুপ খূদিংগী, খোঙথাং খূদিংগী অমদি চহী চূপ্পগী ওইনা নীংশিংবগীগদবা কম্পোনেন্ট অমনি। ঐ ইশামক অমদি অদোম অদোমবু অফবা মীশক অমমম ওইহনগে নৎত্রগা ওইহল্লোই হায়বসি ইশা ইশাদা অফবা মেন্টেল হেলঠ অমা লৈহনবগী মখা পোল্লিবনি। মীওইবা ঐখোয়গী পূক্নিং ৱাখলগী ফিভম অসি ইন্দিভিজুয়েল মশামক্কী, মাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং, লৈমিন্নরিবা কম্যুনিটিগী মীওইশিং অমসুং ষ্ট্রকচরেল ফেক্তরশিংগী অপুনবা শক্তম অদুগী মতম অমদা হেক্তমক চৈঙাক ওইদুনা প্রোটেক্সন পীবিবা নৎত্রগনা অহোয়নদুম শাথিনা শোকহনখিবা য়াই। মীওইবা ঐখোয়গী মেন্টেল হেলঠকী ফিভম অসি য়াম্বনদি য়াম্নমক রেজিলিয়েন্ট ওই। অদুম ওইনমক লায়রবা, থবক ফংদবা, কনফ্লিক্ট সিচুয়েসন, লান, ভাইওলেন্স, শেংন-খায়নবা দিজাষ্টর, দিসএবিলিটি, ইনক্কেলিটি অমদি হিংবগী হক খোঙ্গাওনবীবনচিংবা থম্মোই শোক্লিংঙাই ওইবা ফিভমশিং অসিবু মায়োক্লরিবা মীওইশিং পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইহন্দবা, চরাংনবা, খোয়শাওনবা অমদি লমন শিংনিংবগী ৱাখলশিংনা মতম শাংনা য়োমশিন্দুনা লৈবদগী পোর মেন্টেল হেল্ঠ লৈহনবতা নত্তনা মেন্টেলগী অনাবা (মেন্টেল ইলনেস) লৈরক্লবগী অচৌবা রিস্ক ফেক্টর হায়বদো ওইহল্লি।

গ্লোবলগী ওইনা য়েংলকপা মতমদা মেন্টেল ইলনেসকী বর্দন অসি শাথিনা চাউই। খরদং পঞ্জরবদাঃ

(১) পৃথিবীগী ওইবা মেন্টেল দিসওর্দর (মেন্টেল ইলনেস)কী অপুনবা মশীং অসি ১.২ বিলিয়ন মুক্কি। শন্না হায়রবদা মীওই ৭কী মনুংদা অমদি মেন্টেল ইলনেসকী অনাবা লৈ হায়বনি। এঞ্জাইটি দিসওর্দর অমসুং দিপ্রেসিভ দিসওর্দর হায়বসিনা খ্বায়দগী নাগনবা মেন্টেলগী অনাবনি।

(২) এঞ্জাইটি দিসওর্দরগী অনাবনা ৪৭০মিলিয়ন মুক্কি। অঙাং অমসুং এদোলসেন্টগী মশীংনা ১৪৬ মিলিয়ন মুক্কি।

(৩) দিপ্রেসিভ দিসওর্দরগী অনাবনা ৩২২ মিলিয়ন মুক্ক। অঙাং অমসুং এদোলসেন্টকী মশীংনা ৪৩ মিলিয়ন মুক্কি।

(৪) বাইপোলর দিসওর্দরগী অনাবনা মিলিয়ন ৩৬মুক্কি।

(৫) সিজোফ্রেনিয়াগী অনাবনা ২৭ মিলিয়নমুক্কি।

(৬) নিশাদা লায়চুবগী লায়নাশিংনসু য়াম্লবা মীওই কয়ামরুমদা চৈথেং পীবতা নত্তনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদসু চাউরবা ষ্ট্রেস পীরিবনি।

(৭) মেন্টেলগী অনাবা খরদি পূন্সি নুংশাংনা হিংগদবা অদুদগী চহী ১০ মুক তেনশিনহল্লিবনি।

(৮) অনাবশিংদা ষ্টিগমা অমসুং দিসক্রিমিনেসনগী শাথিনা অকিবনা থল্লবা পল অমসুং মায়োক্লরি।

(৯) মাইথ অমসুং সুপরষ্টিসনগী চয়েৎনরবা পল্লোন কয়া অমনসু খাজিন্দুনা থম্বীরি।

(১০) অসিগুম্বা ময়াম অসি লৈবা মরম্না লায়েংবা লাকপগী চাংসু অমুক্কী মতিক নেল্লি। ত্রিটমেন্ট গেপ অসি চাদা ৫০দগীনা চাদা ৮০ মুক ওইরি।

(১১) চাং নাইনা হিদাক লৈদুনা চাননবা হোৎনবদা লৈবা ঙমদবগী পোৎলুম কয়াসু মায়োক্লরি।

(১২) মেন্টেল হোস্পিটাল লৈজদবা। মেন্টেলগী লায়েংফম মরাং কায়না লৈজদবা অমদি মেন্টেল হেল্ঠ প্রোফেসনেলশিংগী মশীং শাথিনা ৱাৎপা অসিনসু থোয়না হেন্না নীংবা কায়নিংঙাই ওইরি।

(১৩) সিজোফ্রেনিয়ানা নারবা অমসুং দ্রগতা লায়চুরবশিংবু হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন তৌদুনা মখোঙ মখূৎ চেন পুন্দুনা থম্বীবা, মতম শাংনা শাংনা ইন্সটিট্যুসনেল তৌবগী পেন্দবা খোল্লাও কয়া অমসু লৈরি।

(১৪) হেল্ঠকেয়র প্রোফেসনেলশিংগী লুজদবা এটিট্যুদ কয়ানসু মখোয়দা ৱাংকৎনিংবগী চৈনাখোল কয়াসু খাঙদবা নত্তে।

(১৫) পেসেন্ট সেন্ত্রিক ওইবীদবা অমদি জেনরেলাইজেসন তৌবীবা মেন্টেল হেল্ঠকেয়র দিলিভরি সিষ্টেম অসিনসু অনাবশিংদা অহেনবা নুংঙাইবা অমসুং পেন্দবা কয়ামরুম ফাওহন্দবা নত্তে।

পূন্নমক অসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি মেন্টেল ইলনেসকী অনাবা লৈরবা মীওইশিং ফিজিকেল ৱেলনেস ফংজবা ঙমদে, সাইকোলোজিকেল ৱেলবিইংসু ফংজবা ঙমদে অমসুং সোসিও-এনভাইরোনমেন্টেল ৱেলবিইংসু ফংজবা ঙমদে। অসিগুম্বা ফিভমশিং অসিদদি করিদনো মখোয়না নুংঙাইরমগদবা, কনাদনো মখোয়না পেঞ্জরমগদবা অমদি কদায়দনো মখোয়গী পূন্সিগী শান্তি? লৈতে, শুকলৈ লৈতে। মসি খঙলবা ফাওবদা ঐখোয়না মখোয়বু অসুন্না অসুম থম্বীগদৌরিবরা?

অমরোমদনা মশামক মেন্টেল ইলনেসকী চৈনা চৈথেং ফংলুবদগী ফগৎলক্লবা মীওই কয়ানা মখোয়না হকথেংননা এক্সপরিয়েন্স ওইরক্লবা ৱাফম কয়া কয়া অশেংবা টেষ্টিমোনি পীজগে, টেষ্টিমোনিশিং অসি পূক্নিং চঙনা তাবীয়ু। তাবীরগা তোকপীগনু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না থম্মোই শোক্লা লাওজরি। মখোয়না হায়রি- মদুদি রিছার্স স্কোলারশিংনা খঙবা উবা ঙমদবা কয়া অমা ঐখোয়না থেংনরি, পোলিসি মেকরশিংনা ইবা খঙবা ঙমদবা কয়া অমা ঐখোয়না থেংনরি। নখোয়না ঐখোয়গীদমক্তনি হায়না শেম শাদুনা পীবিরিবা মতেং 'ওফরদ ফোর য়ু' হায়বদুনা ঐখোয়গী ৱেলবিইং হায়বদু ফংহনবা শুকঙম ঙমদে। ঐখোয়না লাওরি। 'নথিং ফোর অজ, ৱিদাউট অজ'।

অদুবু মঙাল অমদি চহী অসিগী ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলঠ দে ২০২৬ হায়বসিগী সেন্ত্রেল থিম ওইনা থল্লিবা 'লাইভদ এক্সপরিয়েন্সেস হার্দ, রিওল ভোইসেস, রিএল চেঞ্জ' হায়বসিনা পীরকপগুম তৌরি। ৱার্ল্ড ফেদরেসন ফোর মেন্টেল হেলঠনা দব্লিউ ঐচ ওনচিংবা মরু ওইবা ওর্গনাইজেসনশিংগা য়াম্না কূপ্না খন্নরবা মতুংদা থল্লিবা থিম অসিনা মেন্টেল হেলঠকী পোলিসি মেকরশিং, প্রোগ্রাম আইদেন্টিফিকেসন অমসুং দিলিভরি সিষ্টেমগী মওং মতেং লেপথোকপদা মেন্টেল ইলনেসকী এক্সপরিয়েন্স থেংনরুবা মীওইশিংগী টেষ্টিমোনিশিং চেকশিন্না তাবীবগা লোয়ননা মখোয়গী নোলেজ অদু এক্সপরটাইজ অমনি হায়না লৌগদৌরি। পোলিসি / প্রোগ্রামশিং শেম্বদা মখোয়সু শরুক য়াহনগদৌরি। মসিমক অফবা খোঙথাং অমনি। অসুন্না মখোয়বু মিনিংফুল্লি এঙ্গেজ তৌবীবা অসিনা নারুরবা মীওইশিংনা পামজরিবা অমসুং হাপচিনবীয়ু হায়জরিবা মওং মতৌশিং অদু খরমখৈদি থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বসু ওইজসনু।

**নারুরবা মীওইশিংগী খ্বায়দগী মরু ওইবা খোল্লাওদিঃ**

ৱি ৱান্ট- দি ইন্সটিটুসনেলাইজেসন

ৱি ৱান্ট- কম্যুনিটি বেজ কেয়র সার্ভিসেস

ৱি ৱান্ট- পেসেন্ট সেন্টর্দ কেয়র সার্ভিসেস

ৱি ৱান্ট- হ্যুমেন রাইট প্রোটেক্সন কেয়র

ৱি ৱান্ট- ষ্টিগমা ফ্রি এনভাইরোনমেন্ট

নথিং ফোর অজ, ৱিদাউট অজ

*'হিংহল্লু ঐখোয়বুসু নুংঙাইনা,*
*হিংমিন্নসি ঐখোয় পুন্না।'*

# মহৌশাগী লায়েং অমসুং চাবা

*–ডা. কে বসন্ত সিংহ*

**করম্না মতমদা চাগনি ?**

ৱাহংসিগী পাউখুম পীবদা হেক্তা ইরাই লায়না অয়ুক অমদি নুমিদাংদা চাগনি হায়বদা ময়াম্না থোয়না য়েৎননিঙাই লৈরোই। অদুবু শিনফমগী মতুং ইন্না খরনা ঙন্না চায় খরনা থেঙনা চাবসু য়াওই। চাং ওইনা অয়ুক্কী চাবগী অফবা মতমদি পুং ৮ দগী ১১ ফওবগী মনুংদা চাবনা ফৈ হায়নৈ অদুবু তোঙান তোঙানবা কাঙলূপকী তোঙান তোঙানবা চৎনবিসু লৈ। কাঙলূপ খরনা অঙনবা অয়ুক্তা চারা ৱাল্লগা থেঙনা পুং ১-২ তাবদা চাবসু য়াউরি। খরনা অয়ুক অঙনবদা চাক্লেন চা থোকপসু লৈ মরুওইনা মণিপুরগী চীংগী লমদা চাক ঙন্না চানৈ অয়াম্বনা পুং ৭-৮ তাবদা চাক তোকই। অদুগা নুংদাংগীনা পুং ৫। ৬ তাবদা চাথোকই। জৈন ধর্ম্ম চৎপশিংনসু অঙনবা অয়ুক্তা চারা ৱাল্লগা নুংথিল চাক্লেন নুংদাংদা নুমিৎ তাদ্রিঙৈদা নুংদাংগী চারা চাথোক্কে। কনাগুম্বশিংনা নুংদাংগী পুং ১০-১১ দা চাক চাবসু লৈ। অদুবু ঙন্না চাবা অমদি ঙন্না তুম্বনা হকচাং ফৈ হায়বসি শোয়দ্রবনি। নুমিদাং শাংনা লেল্লকপগী অহাংবা চাকখাওদু ঙন্না চাক চারবদি অরাম্বদুসু থুনা কোকহল্লি অমসুং অচোই অপা চানিংহন্দে। অদুগা অমুক নুমিদাংগী চারা ঙন্না চাথোকপনা নুমিদাং তুম্বদা লৈতানা তুম্বা ঙম্মী। অদুবু প্রকৃতিনা ঐখোয়দা পীবিরল্লবা অরাম্বা হায়বসি ফাওদ্রবদি অমুক মতম য়ৌরে হায়দুনা চারোইদবনি। মসিনি খ্বাইদগী মরুওইরিবদি। মতম চাদনা ফাওরকপা অরাম্ববুসু ঐখোয়না ফাথগদবনি। মরক্তা ঈশিং তোয়না থক্কুনা লেম্থোক্কদবনি অদুগা চাবগী মতম ঙাইগদবনি। অসুম্না ঐখোয়না চাবগী মতম খঙনা চারবদি ঐখোয় অমত্তা নারোই।

**করি চাগনি?**

ৱাহং অসিনি খ্বাইদগী মরুওইরিবা চাবগা মরী লৈনবা ৱাহংদি। মরমদি ঐখোয় পুন্নমক খঙই ঐখোয়না চাখ্রিবা পুন্নমক্কা ঐ ঐগী হকচাং অসি শেমজখিবনি। অফবা হকচাং ওইগে হায়রবদি অফবা চীঞ্জাক নত্তনদি কৈদৌঙৈদা ফবা ঙম্লোই। ফত্তবা চীঞ্জাক্কা পূন্সি তেলহল্লি, পাঙ্গল কনবা ঙমদে মী অমনা ফৈ হায়রবসু অতোপ্পা অমদদি কান্নদবসু য়াওই। মরমদি পীক্লিঙৈদগী চারকপা চীঞ্জাক খেন্নবা লৈফম, ধর্ম্ম, তিন্নবা শঙ্গ, হকচাংগী লেঙ-ওৎপা শাজেন নৎত্রগা থবক খেন্নবগী মতুং ইন্নসু মী খূদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা অপাম্বা লৈনৈ। খূদম ওইনা মশা থাকপা শান্নরোই অমনা য়েরুম শঙ্গোম শা-ঙা য়াম্না চাবদা ইরাই লায়না তুম্বা ঙম্মী, কান্নবা ফঙবসু ঙম্মী। অদুবু থবক শুদবা শাজেল শান্দবা অমনা মশা ফননবনি হায়দুনা অহানবগী অদুনা চারিবশিংদু চারবদি তুম্বা ঙমদদুনা ওবা-ফায়বগী অনাবা ওইরকপসু য়াই। মদুনা মঙোন্দা ওন্ন-তৈনবদা হকচাং হেন্না শোক্কনি মতৌ অসুম্না শা-ঙা চাজদ্রবা মীওই অমদা হকচাং ফননবনি হায়দুনা শা-ঙা পীজরবসু থোক্লকপা য়াই। প্রোটিন্না হকচাং শাগৎলি। শঙ্গোম য়াম্না শীজিন্নবা য়াওরি। কনাগুম্বা খরদনা শঙ্গোম চারুবদা এলর্জি থোকপা পক্লন্দবসু লৈ। মখোয়দা নাতোন ফুনবা, লোক থুংগে তৌবা নৎত্রগা শঙ্গোম থক্লুরগা খোঙ হামগনবসু ওইরি। অয়াম্বা মীশিংনা শঙ্গোমবু মখল কয়াগী হাউরবা অচাপোৎ কয়ামরুম শেমদুনা চানরি। শা-ঙা চাদবশিংনা শঙ্গোম অসি তঙাইফদ্রবা অমা ওইনা শীজিন্নরি। মপুং মরৈ ফারবা মীওই অমদা প্রোটিনগী দরকার ওইবসি য়ামদে, থবক অৱাবা শুবা নৎত্রগা শাজেল অকনবা শান্নবশিংদদি তঙাইফদনা প্রোটিন অহেনবা দরকার ওই, অদুগা থবক অৱাবা শুদবা চাউবা মপুং মরেপ ফারবশিংদদি প্রোটিন হেন্না চাবনা কান্নদবদা হকচাং চাউখৎহল্লি। হকচাং অরুম্বা হেনবগী অৱাবা ওইহল্লি। মসিদসু নত্তনা মখল মখা কয়াগী অরিবা অনাবশিং ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, থম্মোয়গী লায়না, তাঙ নাবা, গাউট, কিদনিগী অনাবশিং অসি প্রোটিন হেন্না চাবদগীনি। অসিগুম্বা লায়নাশিং অসিনা নারবদি য়ারিবমখৈ প্রোটিন চাবগী চাং হন্থহনগদবনি। অদুগী মহুত্তা ভিটামিন অমদি মিনরেল ৱাংনা য়াওবা চীঞ্জাকশিং মরুওইনা উহৈ অমদি মনা মশিংগী চাংনা হেন্না চাগদবনি। য়ারিবমখৈ নুমিৎ খূদিংগী থোঙদবা, মৈ চঙদবা চাবা য়াবশিং সলাদ, শিংজুনচিংবা খরা খরা চানবা নৎত্রগা অহিংবা মহী লৌদুনা থক্লবা হোৎনগদবনি। থবি, তোর্ব্বোত, খোঙক্রুম, খামেন অশিনবা গজরনচিংবা মহী লৌদুনা থকপা য়াম্না কান্নে। অতোপ্পা মহীশিং চম্প্রা মহী, কিহোম মহী, কোল্লা মহী, হরিখাগোক্কী শরবৎনচিংবা থকপসু অনাবশিংদা থুনা পাঙ্গল পীবা ঙম্মী।

**চানবা করম্না শেম শাগনি?**

হৌজিক্কী মতমদা নারিবা লায়নাশিং অসি চাউরাক্লা চাদা ৮০ দি চীঞ্জাক্তগী হৌরকখিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা লায়েংবসু চীঞ্জাক্লা য়েংগদবনি, ফার্মাসিদা ফঙবা হীদাকশিং, ভিটামিনশিং সিনা মতম খরগী ওইনা হকচাং ফগৎহনবদি ঙমগনি। অদুবু তুং কোয়না কান্নরক্লোই। মরম অদুনা ঐখোয় ঐখোয়গী ইমুংদা লৈবা চাকশঙশিং অসি ফার্মাসি অমগুম্না খন্দুনা অহৈবা ফার্মাসিস অমনা মখল মখলগী হীদাক পীবগুমনা চাকশঙদা শেল্লিবা চাক য়েনশাংশিংদু ভিটামিন মিনরেল মরাং কায়না য়াওবা পোৎশিংনা নীংথিজনা ভিটামিন, মিনরেল মাঙহন্দনা শেম শাদুনা থোঙননবা হোৎনগদবনি। মরম অদুনা চাকশঙ কূপ্না শেন্নবীরিবা নুপী ওইবশিংগী মখুত্তা ইমুং অদুগী মীওইশিংগী হকচাং ফহনবা নৎত্রগা অনাবা ইমুং ওইহনবা অচৌবা শরুক য়ারিবনি।

মৈতৈ ৱাহৈদা চাক চজিক লেম্লবদি মী নারক্কনি হায়নবগী মনুংগী অর্থসু চাক লেমহন্দনা ওক্লবসু চাশিল্লু চজিক নৎত্রগা লুখাক লেম্লবদি ইমুংদু নারগনি হায়বা নত্তে, চাক খরা তানা থোঙউ চজিক লেম্লবা থোঙ্গনু হায়বনি।

মনা মশিং থোংবা মতমদা চেকশিন্না ভিটামিন মিনরেল ফঙবনা হোৎনগদবনি। মপুম ওইরিঙৈদা শেংনা তিল কাং ফত্ত-হৌদি য়াওবরা য়েংগনি। মতুংদা শেংনা চামথোক্লবা মতুংদা কক্তুনা শেম শারবা মতুংদা কুইনা থল্লোইদবনি। কক্তুনা শেম্বা মতমদসু য়াম্না পীক্লা নৎত্রগা পানা শোয়দোক্লোইদবনি, চাউরাকপা শোয়রগা হান্নবা শাহল্লবা ঈশিংদা হাপচিন্দুনা লোনবিগনি। লোয়ননা প্রেসর কুক্কর অমদা মনা মশিং কামহল্লোইদবনি। মসিনা চীঞ্জাক্কী মচী য়াওরম্বদু মাঙহল্লি। কা হেননা শৌহন্দুনা মনা-মশিংবু কৈদৌনুংদা থোংলোইদবনি। থোংদা তপ্পা মৈ থাদুনা থোঙ্গনি, মখুম নীংথিনা খুন্বিগনি অমদি পেৎপা হৌরক্লবদি নৎত্রগা মচু ওল্লক্লবদি মৈ তপ্পা থাদুনা থমগনি মরোই মপাং হাপ্পিংবা হাপ্পা য়ারে। নত্তদুনা অয়াম্বনা থোঙলিবসিদি হান্না কূপ্পা শোয়দোল্লগা ঈশিংদা তিংদুনা চামথোক্কনি। মতুংদা থাওদা কুইনা ঙৌদুনা হকচাংদা কান্নগদবা মচি ওইবশিংদুদি হান্ননা মাঙহল্লগা থুম মোরোক থাও মরু মরাংনা হেন্না হাপ্পুনা হাওননবা থোঙবনি। হকচাং ফহন্নবা নত্তে। মসিনা হেন্না চানিংবা ফাওহন্দুনা হেঞ্জিন্না চাবগী হৈনবী লৈহল্লি। তুংদা বি পি ৱাংবগী অনাবা খোঙ হাম্বদা লিকপা, হকচাং চাউখৎপা, ঈশিং পুকচৎনচিংবা ওইহল্লি।

অনাবশিংগী চীঞ্জাক খ্বাইদগী ফবদি হিংনা মৈ চঙদনা চাবা য়াবশিং চাদুনা লেনবনি। নাদ্রিবশিংনা চাবদা হকচাং নুংঙাইনা মীৎ-না শিংনা পূন্সি শাংনা লৈননবা খ্বাইদগী ফরবা চীঞ্জাক্কি। শন্না হায়রবদা লাইদা কৎপদা, তর্পোনগী হৈশোই শেন্নরিবা অসুম্না ঐখোয়গী অত্মাবুসু ঈশ্বরগী মশক্কি খন্না চাগদবনি। করিগুম্বা অমা চারমদাইদা ওইরো পূক্লিংদা খল্লগা চারবদি ফগনি। মসিদা পঞ্জনিংবদি থাওদা তাওবা চিনি য়াম্না হাপ্পুনা শেম্বা অথুম-অহাওদি য়ারিবমখৈ চাং হন্থনবা হোৎনগদবনি। য়ারিবমখৈ প্রকৃতিগী ওইবা উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিংদা য়াম্না চাবনা হকচাং ফহল্লি হায়বসি খঙমিন্নসি।

**কয়াম য়াম্না চাগনি ?**

য়াম্না চাবনা য়াম্না কল্লি। খজিক্তং চাবনা পাঙ্গল শোল্লি। মী খূদিংমক্কা হায়নৈ খনসু খল্লি। পীক্লিবা অঙাংশিংবু থুনা চাউনবা মমা মপানা মচি ওইবা হকচাং ফনবা অহাওবা চীঞ্জাক কয়া লৈরি। অদুবু য়াম্না চারগা তুম্বা ঙমদদুনা ওবা, খোঙ হামথবা থোক্তবসু নত্তে। মসি অঙাং খক্তগী ৱা নত্তে। ঐখোয় মশা ফরিবা অহলশিংদসুনি। অমরোমদা মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারীদা হেরো ওইরিবা খম্বগী পীক্লিঙৈগী মচে খম্নুনা য়োক্লকপগী মতাংদা থেঙনৈ। চারা নামতা ফাওবা পুক থন্না নীংথিনা চাবা ফঙলকখিদবা অমদি শা-ঙা শঙ্গোমগী মহুত্তা পেরুক্লা চউম্বা লমজা মচানি। অদুবু মশাদু শোন্দম্না লায়না তোয়না নারকই হায়বা থেঙনদে। ৱারী ওইরবসু মতাং অসিদা য়াম্না কূপ্না মমা ওইবীশিংনা নীংশিংবিগদবনি। হেন্না পীজবদগীদি ৱাৎনা পীজবনা অঙাংদা কান্নবা হেল্লি। বেঙ্গোলিশিংদা হায়নৈ '' পুক থল্লবদি মথা হাঙই'' হায়বদি য়াম্না চাগনবা মীশিংগী লৌশিং নেমই পুক হাঙনা থম্বা মীওইশিংনা লৌশিং লৈবা হৈল্লি মখোয়না চাবা মতমদসু হকচাং ফগদবা কান্নগদবা খরদং দরকারগী মতুং ইন্না চায়। থবক পাঙ্গল থোক্লা শুগদবা মীওইশিংনা খরা হেন্না চাবদা করিসু কায়দে। অদুবু হকচাং পাঙ্গল থোয়না চঙলোইদবা থবক শুবশিংদি য়াম্না চাশিনবা অহাওবা থিবগী দরকার ওইদে। অয়ুর্বেদগী মতুং ইন্না মপং ওইবা শরুক্লা চাকখাওগী তঙ্খায় থলহল্লু, লেমহৌরিবা তঙ্খায়গী মশুংনা অহাংবা ওইনা থম্মু হায়রি। অসুম্না চাবা মতমদা তানা চাবনা পুক য়াংনা লৈবা থবক তৌবদা মীৎ-না শিংনা লৈবা ঙম্মী। চাক থন্না চাশিল্লবদি তুমনিংবা ফাওহল্লি, থবক তৌবদা হৈনিংহন্দে। মসিগী মতাংদা কূপ্না য়েংশি, হকচাং হায়বসি নুংদা লৈবা জীবনি শক্তি অমনা লোইরিবনি। হায়রিবা শক্তি অসিনা চাবা তুম্বা, লেঙ ওৎপা, শ্বর হোনবা, ৱা ঙাংবা, হকচাংগী মৈশা পীবা, থম্মোয় মীহুল হুল্লবা অনাবা অশোক অপন লায়বগী থবকসু তৌরিবনি। চাবা মতমদা হেঞ্জিন্না চারবদি অদুসু তুম্বা ঙম্নবা হোৎনবদা হায়রিবা জীবনি শক্তি হেন্না খরচ তৌহনখি। অসুম্না তোয়না হেঞ্জিন্না চাবগী হৈনবী লৈখ্রদি মমৈদা হকচাং চাউখৎপগী তোঙান তোঙানবা লায়না কয়ামরুম লাক্লনবা হোৎনজরুবা তাগনি। লোয়ননা জীবনি শক্তিসু নোংমা নোংমগী চাং হন্থরক্কনি। হীরম খূদিংদা হন্থুনা চাবনা হীরম খূদিংদা হকচাংদা কান্নবা হেল্লি। পূক্লিং শেংনা নুংঙাইনা পেন্থোক্লা লৈবা ঙম্মী। মরুওইনা চহী ৩০ রোম শুরক্লবদি হকচাং অরুম্বা হেনগৎলক্তনবা হন্থনা চাবসি হৈনবী থমগদবনি।

**করম্না চাগনি ?**

চাবা মতমদা মমাংঙৈদগী অহলশিংনা মফম মতম নাইনা চেকশিন্না চারম্মী। চাগদবা পোৎ অদু নিংথিনা তরু তনানবা মফমদা অফবা পাত্রদা হাপ্পুনা পূক্লিং লৈতানা ফমদুনা ইংনা তপ্পা চানৈ। চারিঙৈ মতমদা পূক্লিং নুংঙাইরোইদবা ৱারী অমদি য়াম্না নোক খেদুনা চরাংননা চারোইদবনি। চারিঙৈদা লাঙদুনা ৱারী শান্নদুনা চারবদি হেঞ্জিন্না চাশিল্লি অমদি নীংথিনা শাইহৌদে। চারমদাইদা পূক্লিং ইংনা লৈবনা চাকখাওদগী চাবা তুম্নবা মহী, হায়দ্রোক্লোরিক এসিদ অমদি অতৈ চাবা তুম্নবা মহী কয়া নীংথিনা থোরকহন্দুনা চাখ্রিবশিংদু তুমহনবদা থুনা মতেং পাঙই। চিন-য়া নীংথিনা শেংদোক্লিঙৈদা করিগুম্বা পোৎ অমত্তা থকপা চাবা মমাংঙৈগী অহল-লমনশিংনা তৌনরমদে। মরুওইনা ঈরুজদনা চাবা থকপা মাঙই হায়দুনা অহলশিংনা চৎনরম্মী। অসিগুম্বা ফজরবা চৎনবী অসিগী মনুংগী অর্থদি চাবা থকপা পূন্নমক অসি হকচাংগী নুংদা লৈরিবা অত্মা (ঈশ্বর)দা কৎচরিবনি হায়না পূক্লিংদা খন্নৈ। মসিনা মরম ওইরগা ঈশ্বরদা কৎনদবা অমাং অশোয়, ফত্তবা চীঞ্জাক অমত্তা চানরমদে। খূদম ওইনা চজিক ওইখ্রবা, নৎত্রগা অরেম্বা চাক য়েনশাংদা নত্তনা মদুগা শম্নরুবা পোৎ নৎত্রগা পাত্রদা অমুক অফবা ওইরবসু হাপ্পুনা চানরমদে। চাবদা ৱা ঙাংদনা হাওই হাওতে হায়দনা নোংমগী চারা তন্নিবশিং অদু নুমিত্তুগী ঈশ্বরনা পীবিরিবনি খন্না চাগনি। অফবা ফি শেত্তুনা পূক্লিং হকচাং শেংনা তপ্না ঈংনা তোয়না শায়দুনা চাগনি। চারিঙৈ মতমদা ৱা য়াম্না ঙাংলোইদবনি। য়ারিবমখৈ চারিঙৈদা ঈশিং থক্লোইদবনি।

## আই দি পিশিং মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহন্দ্রিবা ফাওবা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপীগনুঃ মীতৈ কাউন্সিল

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ লাঞ্জেন্নরিবা আই দি পিশিং মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা লৈঙাক্লা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপীগনু। টুরিজম চাউখৎপগী মহুত্তা মণিপুরগী মিংচৎ থীনবা শিনবা ওইনা থোক্কনি হায়না মীতৈ কাউন্সিল মোরেনা ফোঙদোরক্লি।

কাউন্সিল অসিগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী মিথুন সোইবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পীকখ্রবা মণিপুর অসি মচেৎ মচেৎ তানা থুগায়বগী মহুত্তা ঐখোয় মশেল পুল্লগা চাউখৎপা, তংদু লৈতাবা, নুংশি–চান্ননা লৈবা ষ্টেট অমা ওইনবা হোৎনমিন্নরসি হায়দুনা মণিপুরদা খুন্দারিবা কাঙলূপ খূদিংমক্কী ইচিন ইনাওশিংদা আপিল তৌরক্লি। লৈঙাক্লা তুমিন লৈবীগনু, লৈঙাক্লা মরমদমদা হনবগী অশা পীদ্রবদি আই দি পি অহলশিংনা নীংবা কায়দুনা অত্থাঘাট নৎত্রগা লাইমন ওইদুনা পূন্সি পীখন্নখ্রগনি অদুগা মসিগী ওন্ন–তৈনবদা নহা কয়ানা অরানবা লম্বীদা চৎখিদুনা মণিপুর কাং–খোং চাইবা ষ্টেট অমা ওইরক্লোই হায়নিং ঙাই লৈতে। মসি থোক্তনবা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা আই দি পিশিংবু ঐখোয়গী ইরমদমদা চৎলিবা চহীসিনা লোয়দ্রিঙৈদা হঞ্জিলহনবীয়ু। মণিপুরগী সঙাই ফেষ্টিভেল ষ্টেট অসিগী খ্বায়দগী চাউবা ফজখ্রবা ফেষ্টিভেলনি।

ফেষ্টিভেল অসিদা মপালদগী লাকপা মীশিংনা মণিপুরগী লোক্তাক, সঙাই, ফজরবা চীং, পাৎ, তুরেল, তোঙান তোঙানবা কাঙলূপকী যুম্লে–কৈরৈ, ফিজেৎ, চৎনবী, হাওরবা মথেল লুকোই, নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা উরগা মণিপুরবু কোয়বা লাকপা য়াবা ফজরবা অমসুং নুংঙাইরবা মফমনি হায়না খল্লিবনি। অদুবু মণিপুরগী ফিভম হান্নগুম্না ওইদ্রে। কুমজা ২০২৩গী মে ৩ দগী হৌজিক ফাওবা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা লৈত্রি হায়খি।

মীরমদগী লাকপা মীওইশিংনা ফেষ্টিভেল অসিদা কাঙলূপ খূদিংমক্কী মীওইশিং উদবা অমসুং আই দি পিশিংনা ময়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবা, মীহাৎ–মীপুন লেপ্তবা, বন্দ, ব্লোকেদ অসিনচিংবসি উখিবা মতমদা টুরিজমগী ফিভম ফগৎপগী মহুত্তা হেন্না লাকনিংদনবগী মেসেজ পীবা ওইনা থোক্কদ্রা খল্লি। ফিভম অসি লৈবনা আই দি পিশিংনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবদি সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## পি এম জি এস ৱাইগী থবক্কা মরী লৈননা ...

*লমায় ১গী মখা...* সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস বি ভি নগারথ্না অমসুং জষ্টিস আর মহাদেবনগী বেঞ্চনা হিয়ারিং চথরবা মতুংদা ষ্টেটস কো থমদুনা অথিংবা পীরম্বা অদু লৌথোকখ্রে হায়রি। ঙসি সুপ্রিম কোর্টকী কোর্ট নম্বর থ্রিদা জষ্টিস বি ভি নগারথনা অমসুং জষ্টিস আর মহাদেবন অনীগী বেঞ্চনা এম এস নিরভৈ কন্সত্রক্সন্না মণিপুর ষ্টেট অমদি অতৈনা রেস্পোন্দেন্তশিং ওইরগা থারকখিবা স্পিসিএল লিব পিতিসন (সি) নম্বর ৩৩৮৫৭ / ২০২৬ (ফিফতিন) গী হিয়ারিং চথবগা লোয়ননা হান্না অথিংবা থমখিবা ওর্দর ষ্টেটস কো অদু লৌথোকখ্রে। হান্না ৱার্ক ওর্দর ইস্যু তৌখিদে হায়রিবা ৱাফম অদু মমাংগী সেপ্তেম্বরগী তাং ২২ অমসুং সেপ্তেম্বরগী তাং ২৩ দা মরীশুবা রেস্পোন্দেন্ততা ৱার্ক ওর্দর ইস্যু তৌখ্রবা মরম্না মরীশুবা রেস্পোন্দেন্ত ওইরিবনা মখা তানা থবক চথবা য়ারগনি হায়না ঙসিগী সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অদুনা হায়রি।

পনবা য়াবদি, এম / এস নিরভৈ কন্সত্রক্সননা পিতিসন্নর ওইদুনা মণিপুর হায় কোর্টতা থারকখিবা পিতিসন অমা হায় কোর্টকী সিঙ্গল জজ অমনা ইন্তরিম রিলিফ পিরকখিদে। মদুগী ময়োক্তা পিতিসন্নর অসিনা হায় কোর্টকী দিবিজন বেনচ অমদা অপিল চৎখি অদুবু বেনচ অদুনসু পিতিসন্নরগী আপিল অদু দিস্মিস তৌখিবনি। মণিপুর হায় কোর্টকী রাই অদুগী ময়োক্তা এম / এস নিরভৈ কন্সত্রক্সননা পিতিসন্নর অমদি ষ্টেট ওব মণিপুর অদি অতৈনা রেস্পোন্দেন্ত ওইদুনা থারকখিবা স্পিসিয়েল লিব পিতিসন অমা থা অসিগী ২৪দা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস বি ভি নগারাথনা অমসুং জষ্টিস আর মহাদেবনগী বেনচ অমনা খন্নখি। বেনচ অসিনা পিতিসন্নরগী কাওন্সেল, ষ্টেট অমসুং প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্তকী কাওন্সেলশিংগী ৱারোল কুপ্না তারবা মতুং রিৎ পিতিসন অদু সিঙ্গল জজনা তারবা মতুং মেরিৎকী মতুং ইন্না দিস্পোজ তৌদ্রিবা ফাওবা রেস্পোন্দেন্তশিংনা ষ্টেটস কো ঙাক্লা চৎনবা রাই তাখিবনি। সুপ্রিম কোর্টতা চথখিবা হিয়ারিং অদুদা পিতিসনরগী কাওন্সেলগী তিমদা অঞ্জন সাহু, নেহা রাথিনা এসিস্ত তৌদুনা প্রশান্ত ভুশননা এদভোকেট ওন রেকোর্দ ওইনা শরুক য়াখি। প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সরক য়োজনা–৩গী মখাদা মণিপুরদা পায়খৎকন্দবা লম্বী শেন্দ্বগী পেকেজ ৯৬কীদমক চহী অসিগী জুলাই ১০দা তেন্দর নোতিস অনি (এন আই টি–৬ অমসুং এন আই তি– ৭) রুরেল ইঞ্জিনিয়রিং দিপার্তমেন্ত / মণিপুর ষ্টেট রুরেল রোদস দিবলপমেন্ত এজেন্সিনা থোকখি। ষ্টেটনা হায় কোর্টতা থমখিবগী মতুং ইন্না প্রোজেক অসিগী অপুনবা শেনফম অসি লুপা কোতি ৬৩৮নি।

নিরভৈ কন্সত্রক্সননা পিতিসন্নর ওইদুনা থারকখিবা পিতিসন অদুনা এম / এস ভারতিয়া ইনফ্রা প্রোজেক্তস লিমিতেদকী তেক্নিকেল ক্বালিফিকেসন অদুবু শিংনরদুনা তেন্দর অসিগীদমক্তা শেমজিন শাজিনবা খুৎশু খুৎলায় লৈবগী চে চাং, অরানবা পার্সনেল এফিদবিৎ অমসুং তেন্দরগী কন্দিসনশিং ইনখিদে। তেন্দর অসিগীদমক্তা পিশিল্লকখিবা লুপা কোতি ৯.৫৭ রোমগা মরী লৈনবা ইনভোইস অমসুং শেলগী রিসিপ্ততা চিংনবা লৈ অমদি শেমজিন শাজিনবা কয়া চথখি হায়না মরাল শিবা লৈখিবনি হায়রি।

## মচিন থিবা বি জে পি পার্টি লমজাও সোরোক্তা...

*লমায় ১গী মখা...*চথরক্লিবা থৌওং নোংথক্তা তিন শীৎলগা তাই হায়বগা চপ মান্নরে। দিল্লিগী হোটেলদা ৱাথোক ওইখিবা অমদি ঐখোয় শ্বাইদা কৈন্য কৎপা য়াওনা ৱাথোক কয়ানা য়োল্লবা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা মশাগী লমচৎতি লোৎশিল্লগা এম পি বিমোলদা মরাল শীরকপগী থৌওং অসিগী মায়োক্তা ঐখোয় পূন্না লেপমিন্নদুনা জষ্টিস ফংহনসি। রাজ্য সভাগী মেম্বরসু ওইরিবা অধিকারিময়ুম সরদানা মশামকসু নোংথক্তা তিন শীৎলগা মায়দা তাই হায়বগা পাঙ্খক ওইগনি। মহাক কনানো হায়বা লৈবাক মীয়ান্না খঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

## কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী চোরো ভিলেজদা...

*লমায় ১গী মখা...*মীনা য়াওবা থৌদোকশিং অদু য়েংলগা পায়খৎলকখিবনি। জেদ চোরোগী ভিলেজ চীফনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ২৫শুবা আই আর বিগী পার্সনেল খরা থুংলখ্রে।

পনবা য়াবদি, খুল অসিগী মনাক নক্লা হৌজিক হৌজিক অসাম রাইফলসকী আউটপোষ্ট অমসু লৈরিবনি। চহীসিগী হৌখিবা মে ৭তা কুকি মিলিটেন্টশিংনি চিংনবা খূৎলায় পায়বশিংনা ৱাংলি, নামলি, চোরো অমদি অলোয়ো হায়রিবা খুলশিং অসিদা এটেক্ট চথরক্তুনা যুম কয়া মৈ থাখিবনি। লোয়ননা খুলশিং অদুদা লৈরম্বা গাড়ী, মোটোর সাইকল অমদি তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়াসু হুদুনা পুখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা খুলশিং অদুগী খুঞ্জাশিংনা মফম অসিদা ষ্টেট ফোর্স থম্বীনবা হায়জদুনা লাকখিবনি। থৌদোক থোকফমদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম য়াওনা এম এল এ কয়াসু লাক্তুনা য়েংশিল্লম্লবনি। মে ৭তা যুম কয়া মৈ থাদোকপীরমদুনা মাঙহন তাকহনখিবা অদুগী পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন হৌজিকসু ফংদনা লৈরি। থৌদোক অদুদা চাউরাক্লা যুম ২৪ রোম মৈ থাদোকপীরমখিবনি। থৌদোক অদুগী মতুংদা খুলশিং অদুদা মীওই খরা নত্তনা অয়াম্বা খুঞ্জাশিংদি নৌনা হাংলিবা সেল্টরদা লৈরিবনি হায়রি।

## নুপী মহৈরোই ১১দা সেক্সচুয়েল হরাজমেন্ট...

*লমায় ১গী মখা...*
রিজাইন তৌ হায়দুনা খোঙচৎ অমসু চৎখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেন্দা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা এ সরদানা হায়, মণিপুরগী এম পি অমা ওইনা মীয়ামগী থবক তৌগনি অমসুং আই দি পিশিংবু মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহনগনি হায়না লাউরম্বা এম পি বিমোল অকোইজমনা নুপীশিংবু হন্থনা য়েংদুনা মহাক্কী মচাগুল্লবা মহৈরোই ১১বু ইজৎ খোঙ্গাওনদুনা থবক চথরম্বা অসিমক লাইবক থীবনি। লোক সভাগী এম পি বিমোল অকোইজমনা মহৈরোই নুপীমচা ১১দা নৎতবা লিচৎ চৎলি হায়বা মরাল অদু ঙসিদি মপান থোক্লে। জে এন য়ুদগী ঙসি থোক্লক্লিবা মহাক্কী টর্মিনেসন ওর্দর অসিনা লেঙদ্রবা খুদন্নি। ইন্টরনেল কম্মিটিনা থীজিল্লবা মতুং থোক্লক্লিবা ওর্দর অদুদা মহৈরোই নুপী মচা ১১দা মহাক্লা মথোং হুক্তবা থবক চথে হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম ফংবদগী মহাক্কী টর্মিনেট থোকখিবনি। অসিগুম্বা তুংগী যুম্বী ওইগদেরিবা মহৈরোইশিংগী ইকায় খুম্নবা শোকহল্লকপা য়াবা থৌওং চথরিবা কোংগ্রেসকী এম পি অসিগী মথক্তা কোংগ্রেস পার্টিগী লিদরশিংনসু এক্সন লৌখৎফম থোকই হায়খি।

মহাক্লা হায়, পংলাউ লাউবা খক্তনা অচুম্বা শকপা য়ারোই। থম্মোয় শেংদবা মমায় অনী লোংবা লুচিংবনা কৈদৌনুংদা মীয়ামগী থৌগল মতম শাংনা তৌবা ঙল্লোই। মহৈরোই ১১গী ইকায় খুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনরম্বা হায়বসি মহৈরোই খুন্নাইগী য়েক্লবনি। মহাক অচৌবা পারা অমা তম্বীবা মতম য়ৌরে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মীফম অদু লোইবগা পার্টি অসিগী নুপী থৌমীশিংনা এম পি বিমোল মোরেল গাউন্দদা ফম থাদোকউ। দাউন দাউন কোংগ্রেস পার্টি হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা রেল্লি অমা চৎখি। রেল্লি অদু থম্বাল শঙলেন্দগী হৌরগা গভর্ণর মনিংগী লম্বীদা চৎলগা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট ফাওবা চৎখি। মফম অদুদা খোল্লাউ কয়া লাউরবা মতুংদা থম্বাল শঙলেন তন্না অমুক হনখি।

## ৪৯শুবা প্রিপাক্কী মপোক কুমওননা লাকপদা...

*ঙরাংগী মখা...*

মসিনা তোখায়বা পোলিটিকেল আইদেন্টিটি শাগৎনবগী ৱাফম লমদমশিং অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীওই কাঙলুপশিংগী পুক্লিং ফাওহন্নবা মরম অমা ওইরকখি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি য়েংলুবদা লৈবাক অসি খাইদোকপগী থবকশিং কোলোনিএল এদমিনিষ্ট্রেসননা হৌদোল্লম্বনি হায়না লৌই। মতম অদুদা চীংগী খুন্নাইলোল অদুক্কী মতিক অনওর্গনাইজ ওইবা মরম্না বৃটিশ ওফিসারশিংনা ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন হৌদোকপা য়াদবগী ফীভমদা লৈরকপা অমদি তোঙানতোঙানবা খুল–লৈকাইশিংবু অখন্নবা মীৎয়েং য়েংবা ঙন্নবগীদমক্তা তম্পাক্কী এদভান্স ওইরবা খুন্নাইগী লৈঙাকপগী ৱান এদমিনিষ্ট্রেটিভ মোদেল অদু চীংদা শন্দোকখিদবনি হায়নসু য়েংবা য়াই। মরম অসিনা বৃটিশশিংনা চীংগী খুল্লাকপশিংদা ওইনা তাইনদুনা মখোয়– মখোয়গী খুলশিং অদু লৈঙাকপদা শিজিন্নদুনা থল্লকখিবনি। মদুবু হেন্না খুমাঙ চাওশিন্নবা হায়দুনা খুলশিংগী অপুনবা সবদিভিজনশিং খাইদোক্তুনা লৈঙাক ৱায়েল চথবা হৌরকখি।

বৃটিশশিংদি ইং ১৯৪৭গী ওগষ্ট ১৪দা হনখ্রে অদুবু কংলৈপাক্লা মশাগী লৈঙাক্লোন অমগী ৱাখল মীৎয়েংদা যূম্ফম ওইদুনা অনৌবা লৈঙাক পথাপশিং শেন্নবা থৌরাং হৌরক্তুনা মণিপুর কন্সটিট্যুএসন অমদি মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সন ফাওবা পাঙথোকপা হৌদুনা লৈপাক অসিগী মাঙহনবীরম্লবা ইকো সিষ্টেম অদু অমুক শাগৎচবগী তাঞ্জা লৌনবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা ইন্দিয়ানা অমুক লমদম অসিবু ওক্তোবর ১৫, ১৯৪৯দগী বৃটিশকী মহুৎ শিন্দুনা নমদুনা লৌশিনবা অমদি মমাঙদা বৃটিশশিংনা চথরম্বা খাইদোক–খাইজিনগী লৈঙাক ৱায়েল অদুগা চপ মান্নবা চৎন–পথাপ অমা অনৌবা ইন্দিয়াগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী খূথাংদা নমদুনা চৎনবা অমুক হৌহনখি। অনৌবা চৎন–কাঙলোন অদুগী মখাদা হান্নগী খাইদোক–খাইজিনগী লৈঙাক্লোন অদু মুথৎপগী মহুৎতা অনৌবা লোশিং অমদি ইন্সটিট্যুসনশিং লিংখৎতুনা লমদম অসিগী মফম কয়াদা তোঙান–তোঙান্না চৎনহনবা হৌরকখি। শন্না হায়রবদা মণিপুর (ভিল্লেজ ওথোরিটিজ ইন হিল এরিয়াজ) এক্ট, ১৯৫৬, দ মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস এক্ট ১৯৬০, দ মণিপুর (হিল এরিয়াজ) দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল এক্ট, ১৯৭১ অমদি ইনিদয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১–সি না শেমখিবা দ হিল এরিয়া কম্মিটি হায়রিবা চৎন–কাঙলোনশিং অসি হৌদোক্তুনা ঐখোয়গী মীয়াম্বু খাইদোকপগী থৌওং হেন্না মরা চেৎশিহনখি। (মথং মথং)

## ‘নুংশিরুবগী পামজরুবগী’ প্লে উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকাইদা লৈবা যুমজাও লাওরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন্না দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টকী তেঙবাং, সি এম এ টি স্কিম ২০২৫–২৬কী মখাদা ‘নুংশিরুবগী পামজরুবগী’ প্লে উৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা রুমহল থিয়েটরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্তর মৃনাশ্রী মাইরেম্বমনা চীফ গেষ্ট, রূপমহল থিয়েটরগী ভাইস চেয়রমেন লোইতোংবম ব্রজ মোহোন সিংহ অমদি ইলাইট গ্রুপ ওফ পার্ফোর্মিং আর্টিষ্টকী দিরেক্তর সোইবমচা ইন্দ্রকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা অমদি যূমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ইবোহল সিংহনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরী এল রতনকুমারনা হায়, সি এম এ টি স্কিম লাকপদগী আর্টিষ্টশিং অমদি থিয়েটর গ্রুপশিংদা থবক তৌবা ঙম্বগী থৌনা খরদি পীবগুম তৌরে। মখা তানসু তেঙবাং কয়া পীবিদুনা প্লে প্রদক্সন কয়া পুথোকপা ঙমহনবীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পুক্লিং চিংশিনখি।

ঙসি পুথোক্লিবা প্লে অসিগী অহৈবা মণি যুন্নাম অমদি লমজিং লমতাকপনা থোংজু নবনি। প্লে অসিদা শক্তম লাংলিবশিং মরু ওইনা থোঙাম নবচন্দ্র (থোংজু নব), হুইদ্রোম জিতেন, ব্রীদিপ য়াংলেম, আর কে রোমিলা, আর কে সান্তরানী অমদি মাষ্টর থোমথিনঙানবনচিংবনি হায়রি।

## প্রিপাক্কী ৪৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম...

*লমায় ১গী মখা...*ফোঙদোক্তুনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

লুপকী ৪৯শুবা মপোক কুমওন অসি সেন্ট্রেল হেদক্বার্টর (সি ঐচ ক্যু), জেনরেল হেদ ক্বার্টর (জি ঐচ ক্যু), ৭০৭ মোবাইল বট্টালিয়ান, বেজ এরিয়া–১, বেজ এরিয়া–২, বেজ এরিয়া–৩, বেজ এরিয়া–৪, টেক্টিকেল হেদ ক্বার্টর (টি ঐচ ক্যু) ট্রেনিং সেন্টর (টি সি) অমদি ত্রানজিৎ কেম্পনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি হায়রি।

পার্টিগী ইন্টরিম কাউন্সিলগী চেয়োরমেন অহৈবা অঙোম্না অথোইবা মীথুংলেন অমদি চার্জ দি এফেয়ার্স, পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থৌরম মপু ওইদুনা সেন্ট্রেল হেদক্বার্টর (সি ঐচ ক্যু) দা পাঙথোকপা চীং লেল্লবা থৌরম অমদা ইন্টরিম কাউন্সিলগী চেয়ারমেননা মৈরা চুখৎতুনা থৌরম হৌদোল্লবা মতুংদা লুপকী ফিরাল চিংখৎখি। অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা ইন্টরিম কাউন্সিলগী চেয়ারমেননা লোইলম লৈঙাক অসিগী অচান মীরাই নাইবা, অনেম অৱাং খাইদোকপা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চৎন–পথাপ অসিনা মরম ওইরগা ঙসিদি ইরৈবাক অসি তংদু লৈতাদবা পূন্সি মরেল অমদা মতম শাংনা হিংদুনা লাক্লি। (মথং মথং)

## নহাশিংনা পোলিটিক্সতা য়াওশিলহৌদ্রবদি...

*লমায় ১গী মখা...*

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কোইজম সুরেশনা হায়, খুনাই অসিগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা নহাশিংনা পোলিটিক্সতা মপুং ফানা য়াওশিন্দুনা অওনবা পুরকপা ঙমহৌদ্রবদি চহী খরগী মতুংদা ঐখোয়গী তুংলমচৎ মুৎখ্রগনি। মরম অদুনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিগী য়াম্না মরু ওইবা লৈঙাক শেন্দ্বগী থৌশিল অসি মমুৎ তানা নহাশিংনা নৈনবা চঙই। ষ্টেট অসিগী লুরবা তানফম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ঐখোয় পুন্নমক্লা ৱাখল তাহৌদ্রবদি অৱাবদা অৱাবা হাপচিনবা ওইনা থোক্লগনি। ১৩শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা ময়োলনা লেপ্তুনা চথরিবা মাস এৱার্নেস কেম্পেন অসিদা মীয়ান্নসু শৌগৎপীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা সোসিয়েল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবীর লাইশ্রম মোদর্ন কোলেজগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসর সিঐচ রাজেননা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াদুনা মহৈরোইশিংদা মরু ওইবা ৱাফম কয়া থমখি।

## লৈঙাক্লা মীয়ামগী কান্নগদবা থবক তৌরক্ত্রবদি...

*লমায় ১গী মখা...*

মায়োক্তা ওপোজিসন লীদর রাহুল গান্ধী অমদি কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনসু মপুং ফানা শৌগৎলি। পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রিটতা চঙশিনখিবা খোঙজংদা প্রিয়াঙ্কা গান্ধীবু এসোল্ট তৌদুনা চথখিবা থৌওং অকনবা মওংদা য়ানিংদে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৈবাক মীয়ামগী কান্নগদবা থবক তৌরক্ত্রবদি ওপোজিসনদা লৈরিবা মীহুৎশিংনা তুমিন্না য়েংদুনা খক লৈরোই। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী ফংফম থোকপা হকশিং চপ চানা ফংহল্লক্তবদগী ঙসি মীয়ান্না খোঙজং চংশিল্লিবনি। সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী ইলেক্সন কম্মিসনবু মীখল মতমদা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবগী থৌওং অসি য়ানিংদে। মখা তানা অসিগুম্বা থৌওং চথহন্দুনা লৈরবদি লৈবাক অসিদা মমিংতগী ওইবা দেমোক্রেসি লৈবা হায়বা মফম অদু ওইরগনি। রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রিটতা পিছফুল ওইবা প্রোটেষ্ট চথবদা সেন্ত্রেল ফোর্সনা মীয়াম্বু তাথি তাওইবা থৌওং কয়া চথখিবা অদু কোংগ্রেস পার্টিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদে হায়খি।

কোংগ্রেস ভাবনদা ঙসি চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শুগুনু এ সিগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎ, ৱাংখেম এ সিগী এম এল এসু ওইরিবা সি এল পি লীদর কৈশাম মেঘচন্দ্র য়াওনা কোংগ্রেসকী মরুওইবা থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ‘জ্ঞানেশ কুমার ফম থাদোক্কদবনি, রাহুল গান্ধী ফাজিনবা য়ানিংদে’ হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

## চুরাচান্দপুর, কাংপোকপী অমদি সেনাপতিগী...

*লমায় ১গী মখা...*

হীরম অসিগা মরী লৈননা শঞ্জেন্থোংদা লৈবা ফোরেষ্ট হেদ ক্বার্টরদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুর অসি উমং মরাং কায়না লৈবা লমদম অমনি। মফম অসিদা লোনা য়াদবা থবক থৌরম কয়া অমসু লেপ্তুনা চথরি। উমং কোকথোকপা, উমং মৈ চাকপা অমসুং নারোলদা উমংগী পোত্থোকশিং য়েন্থোক য়োনশিন তৌবনচিংবা থীংনবা মণিপুর ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি। হন্দক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইহিরপোক্কী রিজার্ব ফোরেষ্টকী থোকখিবা থৌদোক্তা উ ১০০গী মথক্তা য়ানথৎপদা থীংখিদবা য়াইহিরপোক ফোরেষ্ট বিটকী ওফিসিয়েল ১২মক সস্পেন্দ তৌখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। হৌজিক নোং লেপখিবা মতম য়ৌরকপগা ইরোইননা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা দিপার্টমেন্টনা অকনবা চেকশিন থৌরাং পায়খৎপা হৌরে। হন্দক দিপার্টমেন্ট অসিনা দ্রোন শীজিন্নদুনা উমং কোকথোকপা মফমশিং য়েংশিনবদা চুরাচান্দপুর, কাংপোকপি অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী উমংশিং কোকথোল্লগা চাওরাক্লা লম হেক্তর ৩০৭দা পোপি থারম্বগী খূদম চাংদম লৈরে। মসিগী মতাংদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা নার্কোটিক্স য়াওনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টগা খূৎশন্নদুনা এক্সন লৌখৎনবা থবক পায়খৎলে। লোয়ননা এফ আই আরসু পানখ্রে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হন্দক গ্বালতাবী অমসুং খামেনলোক্কী মফমশিংদা উমং কোকথোল্লগা লোগী ৱাংমদা লম্বী শেল্লম্বগী বিদিও কয়া সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল চৎলক্লবা মতুংদা দিপার্টমেন্ট অসিনা অসাম রাইফলস য়াওনা সিক্যুরিটি পার্সোনেলশিংগা খূৎশন্নদুনা লম্বী শেম্বগী থবক অদু লেপহনখ্রে। লোয়ননা মখোয়শিং অদুগী মথক্তা এফ আই আর অমসু রেজিষ্টার তৌখ্রে হায়রি।

মহাক্লা হায়, ফোরেষ্ট এরিয়া অসি মীয়ামগী লমনি। মফম অসিদা লোনা য়াদবা উ য়ানথৎপা অমদি লৈবাক কোৎথোকপা লৈরবদি মনাক নকপা ফোরেষ্ট ওফিসতা পাউ পীয়ু। হৌজিক লাক্কদৌরিবা থা ৬–৭ অসি মণিপুরগী দ্রাই সিজন ওইবনা ইল্লিগেল ওইবা উ টিক, পোপি, সুপারি লল্লোনবা কয়া তৌরক্কনি মরম অদুনা পোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা সোসিয়েল সিটিজেন ৯৫০০ রোমগী এস এম এস কনটেক্ট গ্রুপ শেল্লে। ২৪x৭ ফোরেষ্ট হেদতা কন্ত্রোল রুম ওইদুনা মোনিটর তৌরি। বোর্দর এরিয়াদা লৈবা এ আর, পুলিস, কষ্টম অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট পূল্লগা লোনা য়াদবা ইল্লিগেলগী থবক থৌরম কয়া ফাবগী থবকসু পায়খৎলি। হৌখিবা ২০২৪–২৫দা লুপা ক্রোর ৩৮ অমদি ২০২৫–২৬তা লুপা ক্রোর ২৪৭ হেন্না ষ্টেটকী একাউন্টতা হাপ্লা ঙমখি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফ কয়ানা রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা পেত্রোল্লিং মতম পূম্বদা চৎলি, রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা কনাগুম্বা অমত্তনা য়াবা য়াওদনা প্রাইভেট কনষ্ট্রক্সন তৌবা য়ারোই হায়খি।

## ‘কংলৈ লিঙ্গো’ কৌবা এপ্লিকেসন অমা ...

*লমায় ১গী মখা...*

রোমাননচিংবা লোলশিংদা নত্তনা মালেমগী লৈবাক অতৈগী লোলশিংবু লেপ্পা লৈতনা চঙলকপদগীনি। ইংলেন্দনা মখোয়দা লৈতবা অনৌবা লোল / ৱাহৈশিং লৌশিন্দুনা মখোয়গী লোল ওন্থোকই। অদুবু মদুনা হান্নদগী লৈজরক্লবা মখোয়গী লোলবুদি শোকহন্দে, চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্মী।

লৈবাক / ফুরুপ অমগী লোল অমনা ইনাকখুনবা লোল অমা ওইবা ঙম্বা হায়বসি লৈবাক / ফুরুপ অদুগী আইদেন্টিটি / শক্তমগী অৱাংবা থাক অদু উৎপনি, মসিনা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী ৱাখলদা লৈরিবা নেসনেলিজম / মরৈবাক নুংশিংবগী ইহুল অদুসু ৱাংখৎহল্লিবনি। ঙসি মালেমদা চাওখৎপা অমদি মপাঙ্গল কনবা লৈবাক ওইরিবা ইংলেন্দ, য়ু এস, ফ্রান্স, জর্মনি, রশিয়া, জপান অমদি চাইনানচিংবা লৈবাকশিংগী লোল হায়নিং ঙাই লৈতনা চাওখৎলি, অদুগা লৈবাকশিং অসিগী মীয়ামগী নেসনেলিজম / মরৈপাক নুংশিবগী ইহুলসু অদুক্কী মতিক ৱাংই।

মসিনা তাক্লিবদি লৈবাক অমগী লোল চালখৎপা হায়বসিগা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা নেসনেলিজম / মরৈবাক নুংশিবগী ইহুল পোকহনবা হায়বসিগা মরী লৈনৈ, লোয়ননা নেসনেলিজম / মরৈবাক নুংশিংবগী ইহুল হায়বসিগা লৈবাক অমা মপাঙ্গল কনবা অমসুং চাওখৎপা হায়বসিগা অমুক মরী লৈতে হায়বনি। অদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী ইমালোল চাওখৎহনবা হায়বসি কংলৈ মীয়ামগী নান্থোকপা য়াদ্রবা তঙাইফদবা থৌদাং অমা ওইরি।

চেরোল অসি মখা তানা হায়, মালেম শিনবা থুংনা খম–থেংনা চাওখৎলিবা অমদি এ আই (আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স) ফাওবা লীংদুনা চাওখৎপগী থাক অতিয়া / নোংদোল পক্লা ৱাংলবা মতম অসিদা ঐখোয়গী ওইবা ইমালোল অসিবু নীংথিনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্বা অমদি ইমালোলবু তুং কোইনা লৈহৌবা য়ানবগী ৱাখল্লোনদা ঙসি ঙসিমক ঐখোয়না ৱাইরগা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ–ৱাতা কয়া ঐখোয়গী ওইবা অরাইবা লোনদা ৱাহন্থোক পীবগা লোয়ননা ইংলিশ অমদি খুদম তাকপা শক্তমগা লোয়ননা ঙসি চৈচৎ ০৯। ১০। ২০২৬, লাংবনগী ২৯নি পানবা ইরাই নুমিৎ অসিদা ইচল (ইমালোল চাওখৎ লুপ), কংলৈপাকগী ময়াই লোইশঙদা ঐখোয় পূন্নমক্লা ইকাই খুম্নজরিবা লুপ অসিমক্কী এদভাইজর পি পুথিবা মঙাংনা ময়াই তাংবলদা লেঙশিন্দুনা ‘কংলৈ লিঙ্গো গ্রুপ ওফ কম্পাইলেসন এন্দ কম্যুনিকেসন’ গী প্রসিদেন্ট বিদ্যানন্দা মোইরাংচানা কংলৈ মীমগা ‘কংলৈ লিঙ্গো’ কৌবা এপ্লিকেসন অমা শীন্নজরে হায়না লৈবাক মীয়ামদা খঙহল্লক্লি। হন্দক্কী ইদিসন অসিদা য়াওখিদবা, অশোইঅরান অমদি অৱাৎপা চিৎথহৌবা ৱাহৈ ৱাতাশিং মথংগী ইদিসন্দা হাপচিন্দুনা হেন্না মপুং ফাবা এপ্লিকেসন অমা ওইহনবদা লৈবাক মীয়াম্না মতেং পাঙবিয়ু। মীয়ামগী মমল য়াল্লবা ৱাখল্লোননচিংবশিং খৌরাংনা ঙাইজরি হায়রি।

চাওখৎপগী খোঙজেলদা ইংলিশ অমদি অতোপ্পা লোন কয়া অমনা কংলৈলোলগী মহুৎ শিনজিল্লকপা ঙসি ফাওবা লেপতে। অতোপ্পা লোল অসুম অসুম শীজিন্নরকপনা ঐখোয়গী শেংলবা ইমালোল মমি শাল্লক্লে। হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা পোৎশক অমগী মমিং ইমালোলদা করি কৌই হায়বফাওবা খঙনরক্তে। অসুম অসুম মরাই চাইথরক্তুনা কংলৈলোন মুৎখিবা মীৎকুপ্তা কংলৈচা মালেম লৈমাইদগী মাঙখিগনি। ঐখোয়গী লোননা ঐখোয়গী শক্তাকচেনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

## এফ আই আর পাল্লকপা ...

*লমায় ১গী মখা...* শেমদুনা হোস্পিটাল কনবা য়াওনা থবক কয়া তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

থা অসিগী ৬তা চথখিবা ৱাঙ্গৈই মীয়ামগী ৱাঙ্গৈই সি ঐচ সি কনবগী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ৱাঙ্গৈই পুলিস ষ্টেসননা অচৌবগী মথক্তা এফ আই আর চল্লকপগী পাউ অদু খঙলকপগা ৱাঙ্গৈই কৈথেলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ফমখি। মীফম অদুদা ৱাঙ্গৈই অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা খুল কয়াদগী লাকপা মৈতৈ, পাঙল অমদি কবুই ফুরুপকী মীওইশিং অমদি লমশিং অদুদগী লাকপা লুপ ১৮গী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

## অশেংবা ওর্দর ওইরম্লবদি ...

*লমায় ১গী মখা...* অদুবু অদুগুম্বা অমত্তা তৌদনা এক্ট অসিবু খোঙ্গাওনরগা ঙম্মী মতাগুম নম্ফুদা দিসমিস তৌরকপা থোল্লবদি মখোয়না শান্নরিবা খূদিংমক ইন্দিয়া শীনবা থুংনা শবাক ফাকপগী মতম য়ৌরক্লে।

থৌদোকশিং অসিগী মরুমদা লৈরিবশিংনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসননা শেম্বা লো কয়া থুগায়দুনা লাকপা হৌজিক খরা চেকশিনগদ্রা হায়রগা অসিগুম্বা থবক অমুক চথরক্লবদি মখোয়গী চেনফম লৈররোই। মখোয়না পাল্লিবা অসি মণিপুরদগী লাকপনি, মখোয়দা ইন্দিয়াগী লো চৎনদ্রবসু য়াই খনবা ৱাখল্লোলগা লোয়ননা মহাকপু নমথনবা হোৎনবনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসিনা মহাকপু নমথবগী মহুৎতা হেন্না পাঙ্গল পীরগা হেন্না কন্না থোল্লক্কনি। মীয়ামগী মতেংনা মহাক ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌরকপনি। মহাক নমথরগা মণিপুর মীয়ামগী খোঞ্জেল নমথবা য়ারোহ। মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মহৈরোই ১১দা সেক্সচুয়েল হরাজমেন্ট চথে হায়রিবা মরাল অসিগী ইভিদেন্স পুথোকফম থোকই। মদু অমত্তা য়াওদনা মরাল হেক্তা শীরকপা অসি ওইবা য়াগদবা নত্তে হায়খি।

## থৌনা ফবী মমা ওইসি হায়রবদি ...

*লমায় ১গী মখা...*য়াখি হায়বসি পুৱারীনা খুদমনি। খুন্নাই অসিগী হৌগৎলক্লিবা মীরোল অসিবু কন্নবা হোৎনবদা মমা ওইবীশিংনা চপ চাবা থৌদাং লৌবা মথৌ তাই। মরম অদুনা লান্থেংনবা মতমদা মমা ওইবীশিংনা থম্মোয় শেংবা হায়বসি তঙাইফদবনি হায়খি।

## ‘এজুকেসন বিয়োন বাউন্দরিজ’ হায়বা...

*লমায় ১গী মখা...* মহৈরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। কম্পিটিসন অসিগী মনুং চন্না পেন্টিং, মল্টিকলচরেল দান্স, সোং, ডেবেট, ষ্টোরি রাইটিং, রিলস, রাইটিং কুইজ, সাইন্স এন্দ ইনোভেটিভ, মিস টিন ২.০ অসিনচিংবা কম্পিটিসন মখল মখা কয়া য়াওরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

## নো পার্কিং জোননি হায়না ...

*লমায় ১গী মখা...* জোননি হায়না লাউথোকখ্রেবা মফমশিং অদুদি থঙ্গাল বজারগী পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্ক মপাদগী নেসনেল ইন্সুরেন্স কম্পেনি ফাওবা, নাগামপালদগী হিন্দু হোটেলদগী পঞ্জাবী মচিন (লম্বীগী নোংচুপ থংবা শরুক নাগামপাল রোদ), উরিপোক কাংচুপ রোদকীনা উরিপোক কান্তিন রোদ মচিন্দগী হিন্দু হোটেল ফাওবা, হট্টা ইভিনিং মার্কেট এরিয়াগীনা ফাজিয়া মাদ্রাসাগী মমাঙ থংবা শরুক্তগী মিনুথোং হট্টা ফাওবা, থঙ্গাল বজারগী ইমা মার্কেট সেট নম্বর ১দগী খুয়াথোং মচিন ফাওবা (লম্বীগী নাকল অনীমক) নেসনেল হায়ৱে ২গী খোঙনাং অনী কারক্তগী সিভিল সেক্রেটরিয়েট ফাওবা (লম্বীগী নাকল অনীমক), নেসনেল হায়ৱে ১০২গী টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুল মচিন্দগী নুপী লাল কমপ্লেক্স ফাওবগী মখা থংবা শরুক অমসুং পাউনা বজারগী কৈশাম্পাৎ ইন্ট্রি পোইন্টতগী বি টি রোর্দ ফাওবা (লম্বীগী নাকল অনীমক)নি হায়রি।

## আমিকনা শীন্দুনা সিনে ওফ দে ...

*লমায় ১গী মখা...* থৌরমগী মনুং চন্না ফিল্ম ম্যুজিক এন্দ ওদিওগ্রাফি ইন মণিপুরী সিনেমা হায়বা হীরমদা আর কে জ্ঞানরঞ্জননা ৱাফম কয়া থমখি। মখা তানা ফিল্মগী থৌমী কয়ানসু মণিপুরী ফিল্ম চাউখৎনবা হোৎনবদা ৱাফম কয়া থমখি। থৌরমগা মরী লৈননা ৱাঙাংলোইশিংনা হায়খি, ফল্মগী চান্নবা ৱারীগী মতুং ইন্না ঈশৈ হাপ্পগী তঙাইফদবা লৈরি। মণিপুরী মতম ঈশৈগী অহল–লমনশিংনা পীবিরম্বা ম্যুজিক্কী খুদোলশিং খুদুং ইন্না চৎপগী মরুওইবা লৈবগা লোয়ননা কাঙলোন চুন্না ঈশৈ শেম–শাবগী মতাংদসু নৈনখি।

## মেরা চাউরেল হৌবগী থৌরম ...

*লমায় ১গী মখা...* য়ামিন্নসি হায়না লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মায়কৈদগী থল্লক্লি। হয়িংখোংবাল উফোং যুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরী সন্ধাম গন্ধরাজনা হায়, মেরা চাউরেল হৌবগী থৌরম অসি মরু ওইনা মালেমগী অঙনবা মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মেরা চাউরেল হৌবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী য়ান্না মরু ওইবা থৌরম অমনি। মতিংকোক মরু শিদবা, য়াইবীরেল সনামহিনা তাইবঙপান শেন্নবগীদমক তাইবং চীঞ্জাক শেম্বা অমদি উরি–ৱারী, উপাল ৱাপাল, হৈপাল–লৈপাল, মহৈ–মরোং, শা–ঙা, উচেক ৱায়া পূন্নমক শেম্বা লোয়রবা তুংদা তাইবঙ মীওইবা শেম্বগী খ্বায়দগী মরুওইবা থা অসি মেরা থা অসিনা ওইরিবনি।

## চছাদতা নুপী অমা লৈখিদ্রে...

*লমায় ১গী মখা...*

ঙসি চাওরাক্লা পুং ৯.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা চছাদকী নুপীশিংনা ইহৌ হৌরকপদগী আই আর বিগী পর্সোনেলশিংগা চাওনা মুক্লখি। মুক্লবা অদুদা আই আর বিগী পর্সোনেল অমনা কাপথোরকপা নোংমৈ মরুনা পানবদগী নুপী অদু লৈখিদবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা খুঞ্জাশিংদা আই আর বিনা কাপথোরকপদগী শিবনি হায়না ফোঙদোরক্লবসু থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদনা লৈরি। লৈখিদ্রবী দোমখোনৈ তাওথাং লালেনমাংগী লোয়নবীনি। মখোয়গী মচা ৫ লৈহৌরি হায়রি।

## লাংবন চারা তমখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...* পাঙথোকপা থৌরম অদুদা য়ু এফ ওগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বট্টালিয়ান অমদি ব্রাঞ্চশিংগী মরু ওইবা ফম্নাইবশিং, থৌমীশিং অমদি লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা অহল–লমন, ইমা ইবেল অমদি ইচে–ইচল কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না য়ু এফ ওগী লুচিংপুরেল আর কে মনিসনাগী মফমদা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা লাই ওইখ্রবা ইপা ইপুশিংবু নুংশিংদুনা মীয়াম্না ঙমজবা হৈ–লৈ কৎপা অমদি চারা তমদুনা থৌনিবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ওর্গনাইজেসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী তোংব্রম ৱাংলেন মৈতৈনা হায়, হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা থোক্লিবা মীশি মীনা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা অমদি অৱাবা অনা তারিবশিংগীদমক মীয়ান্না পুন্না থৌনিদুনা লমদম অসিদা অমুক হন্না তংদু লৈতাবা ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লবা হায়বগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী লমদম অসিদা থোক্লকখিবা ইরাংনা মরম ওইরগা মশাগী ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবা আই দি পিশিংবু অথুবা মতমদা মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগুম নুংশি চান্না হিংমিন্নবা অদু মপু মহাক্লা পীবিবা ওইরসনু হায়নসু মখা তাখি।

## সি এম খেমচান্দ পি এম এম ভি ৱাইগী...

*লমায় ১গী মখা...*ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টতা যুম্ফম ওইরগা পাঙথোকখিবা নেসনেল সম্মিত অদুদা যুম্নাম খেমচান্দনা স্কিম অসিগী মনুং চন্না মণিপুরদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং ফোঙদোকখি।

লোয়ননা স্কিম অসিগী মনুং চন্না মমা ওইবী ক্রোর ৪.৭৬ লোমদা লুপা ক্রোর ২১,৮০০ রোম মশা মশাগী একাউন্টকী খূথাংদা লৈবাক শীনবা থুংনা য়েন্থোকখ্রে। পি এম এম ভি ৱাইগী মনুং চন্না পায়খৎলিবা স্কিমগী খূদোং চাবশিং অসি এপ্লিকেসন সবমিত তৌরকখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা ফংগনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

নেসনেল সম্মিত অদুদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা পোলিটিকেল লীদরশিং অমদি সেনিয়র ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

# সি জে পি প্রোটেষ্টশিংগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট: দিল্লি মেট্রো, ট্রেনশিং পুমথিং থিংবা য়ারোই




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি):

কোক্রোচ জনতা পার্টি (সি জে পি)গী থাংজ নুমিৎকী প্রোটেষ্ট অদুগী মাঙওইননা লৈবাক্কী কোনুং অসিদা দিল্লি মেট্রো অমসুং ট্রেনশিংগী মথক্তা অথিংবা থমগনি হায়বগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি গভর্ণমেন্টতা ৱাহং হংখ্রে অমসুং অথিংবা অদু থম্বা য়ারোই হায়খ্রে।

লম্বী চৎলিবশিংগীদমক নুংনাংবা ফোঙদোল্লদুনা কোর্ট অদুনা সেন্টরদা সিটি অসিগী মফম পুন্নমক্তগী মীয়াম্না চৎলিবা খুদিংমক অদু থিংবা য়ারোই হায়খি।

নহা, অহল পুন্নমক চৎলি। বেসিক ফেসিলিটিজ দা লম্বী চৎলিবশিংগী হক অমা লৈ হায়না থিঙ্গদবা মেট্রো ষ্টেসনশিংগী মশিং হন্থহন্নবা খঙহল্লদুনা কোর্টনা সেন্টরগী উখিল অদুদা হায়খি।

রেষ্ট্রিকসন অমসুং মপুংফানা থিংজিনবা হায়বসি অনিগী মরক্তা খেন্নবা অমা লৈ হায়না কোর্ট অদুনা হয়খি।

সি পি এম জেনরেল সেক্রেটরি এম এ বেবিনা মট্রো ষ্টেসনশিং থিংজিনবা অমসুং ট্রেনশিং কেন্সেলেসন তৌবগী মায়োক্তা থাঙ্গৎপা পেটিসন অমা কোর্ট অদুনা তাখি। ট্রেন পুন্নমক কেন্সেল তৌবা, মেট্রো ষ্টেসনশিং থিংজিনবা, অদু ওইরবদি নহাক্লা করিগুম্বা মফম অমত্তদা চৎপা য়ারোই। লৈবাক অসিদা থোক্লিবা অসি করিনো? মসি শান্তি ওইবা প্রোটেষ্ট অমনি হায়না পেটিসনর অদুগীদমক লেপ্লিবা সেনিয়ার এদভোকেট অমসুং এম পি কপিল সিবলনা কোর্ট অদুদা হায়খি।

মেট্রো ষ্টেসনশিং অসিগী চংফমশিং মপুং ফানা থিংজিনবা অদুগী মতাংদা ঐখোয়না মরুওইনা নুংনাংই। ঐখোয়না নুংনাংলিবা অসি করিগুম্বা অকক্নবা প্রোটেষ্ট নৎত্রগা মীওই অমগী মতাংদা নৎতে। মসি গুরুগ্রাম, গ্রেটর নোইদা, ইষ্ট দেল্লি অমসুং সাউথ দেল্লিদগী মখোয়গী পুন্সি হিংনবগীদমক দিল্লিদা লাক্লিবা মীওই লিশিং অমসুং চা কয়া অদুগী মতাং দনি হায়না সোলিসিটর জেনরেল অদুদা সি জে আই সুর্য্যা কান্তনা হায়খি।

কোর্ট অদুনা সেক্যুরিটিগী থৌরাংশিং পায়খৎনবগী ওথোরিটিজগী হক অদু শৌগৎখি। অদুবু কোর্ট অদুনা মীয়ামগী খুদোঙ চানবগী লৈই অমা চিংখি। লো এনফোর্সমেন্ট ওথোরিটিজনা রিগুলেটরি খোঙথাংশিং কনখৎনবগী চপ চাবা হক লৈ। করিগুম্বা নহাক্লা লাকশিনবা ঙমদবা মুভমেন্ট অমা লাকশিন্নবগী অনিংবা লৈরবদি মদু নখোয়না তৌবা য়াই। অদুমওইনমক মদু নখোয়না খুদিংমক পুমথিং থিংগনি অমসুং মীয়ামবু চৎনবগী পান্থৈ অমত্তা লৈহন্দনা থমগনি হায়বা য়ারোই হায়না মকোকথোংবা কোর্ট অদুনা হায়খি।

মীওই খুদিংমক কার অমা লৈবা নৎতে নৎত্রগা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট ফংদে, মীয়াম্না পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা তাংজরিবনি। অসিগুম্বা থবক মওং অসি চৎনবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি।

# সি ই সিগী মায়োক্তা ঙসি পাঙথোক্কদবা দেমোনষ্ট্রেসনগী অয়াবা দিল্লি পুলিসনা পীখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি):

মতম চানা চে থারক্তবা, মমাঙদা আইন ঙাকখিদবা, অমসুং হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী নুংনাংবশিংগী মরম পীরদুনা চীফ ইলেক্সন কমিস্নার (সি ই সি)গী একাউন্টেবিলিটিগী মতাংদা হয়েঙ ওক্টোবর ১০দা পাঙথোক্কদবা দেমোনষ্ট্রেসন অমগীদমক অয়াবা পীনবা থারকখিবা চে দিল্লি পুলিসনা ঙসি ককথৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লি দিষ্ট্রিক্টকী মফম পুন্নমক্তা আইননা য়াদবা মওংদা মী পুনবা নৎত্রগা প্রোটেষ্ট তৌবা অথিংবা থমদুনা বি এন এস এসকী সেক্সন ১৬৩ সু চৎনরি হায়না দিল্লি পুলিসনা ৱার্নিং তৌখি।

দেমোনষ্ট্রেসনগী অয়াবা পীনবা হায়জরকখিবা অদু ইষ্টাব্লিস পুলিস গাইদলাইন্স মখাদা মথৌতাবা নুমিৎ ১০নিগী মাঙজৌনবা নোটিশ অদু য়াওদনা ফংখি হায়না জোইন্ট কমিস্নার ওফ পুলিস নুপুর প্রশাদনা এ এন আইদা হায়খি।

ওর্গেনাইজরশিং অদুনা মমাঙগী দেমোনষ্ট্রেসনশিংদা য়ান্নখিবশিং অদু থুগাইখি হায়না প্রশাদনা মখা তানা খুদোম্বি থিনখি।




অথিংবা ওর্দরশিং খুগাইনবা হোৎনরকপা খুদিংগী মায়োক্তা অকনবা ৱার্নিং অমা তৌরদুনা প্রশাদনা করিগুম্বা পব্লিক ওর্দর থুগাইরক্লবদি অকনবা আইনগী থবক লৌখৎকনি হায়খি।

দিল্লিদা সি জে পি প্রোটেষ্ট মাঙওইননা য়াল্লবা সেক্যুরিটি থল্লিবা অদুনা মোদি গভর্ণমেন্টকী মিপাই -থবাইবা অমসুং তৌফম খঙদবা অদু উৎলে হায়না জয়রাম রমেশনা হায়খ্রে।

কোক্রোচ জনতা পার্টিগী ওক্টোবর ১০গী প্রোটেষ্ট অদুগী মাঙওইননা মোদি গভর্ণমেন্টনা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ময়াম অমা পৈদুনা থল্লিবা অদুনা গভর্ণমেন্টকী মীপাই -থবাইবা অমসুং তৌফম খঙদবা অদু উৎখোকচরে হায়দুনা কোংগ্রেসনা ঙসি মোদি গভর্ণমেন্টপু থিনা চৈখ্রে।

কোক্রোচ জনতা পার্টি (সি জে পি) প্রোটেষ্ট অদুগী মাঙওইননা পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি পার্সোন্নেল ২০,০০০ হেন্না দিল্লিদা দিপ্লোয় তৌখ্রে হায়না সেনিয়ার ওফিসার অমনা ঙরাং হায়খি।

ওফিসার অদুনা জন্তর মন্তরদা প্রোটেষ্ট অমত্তগী অয়াবা পীখিদ্রে হায়খি অমসুং আইননা য়াদবা মীয়াম পুনবা অমত্তদা শরুক য়াদনবা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

কোংগ্রেস জেনরেল সেক্রেটরি জয়রাম রমেশনা সি জে পি প্রোটেষ্ট অদুগী মাঙওইননা লৈবাক্কী কোনুং অসিদা য়াল্লবা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল থল্লিবা অদুগী মতাংদা পোষ্ট অমা হাপ্লকখি। এক্সতা থাগৎপা মহাক্কীপোষ্ট অদুদা জয়রাম রমেশনা হায়খি, ইন্দিয়া জনবন্ধনগী অকনবা নুমিৎ মরিনিগী প্রোটেষ্ট মতুং প্রোটেষ্টশিং অসি চত্থরকপা ওইবনা মীপাইবা অমসুং তৌফম খঙদবগী চাং অদু ময়েক শেংনা উৎলে হায়খি।

সি জে পি অমসুং মহৈরোই গ্রুপ কয়ামরুম্না চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমারবু স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন ওফ ভোটর লিষ্টকী মিংদা লৈবাক অসিদা ভোটর লাক্ষ কয়া লৌথোকপদা প্রিসাইদ তৌবগীদমক মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরালশিংগী মতাংদা রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌরকখিবনি।

# জ্ঞানেস কুমারগী মায়োক্তা বি আর এসকী কেম্পেন: কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা কনষ্টিট্যুসনদগী হেন্না চাওদে

হায়দরবাদ, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি):

ইলেক্টোরেল রোলশিংগী স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর)দা চত্থখিবা অরানবশিং পল্লদুনা চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমার রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌবা মখোয়গী কেম্পেন হেন্না কনশিন্নবা ভারত রাষ্ট্র সম্মিটি (বি আর এস)না থৌরাংশিং লাউথোকখ্রে।

পার্টি অসিনা হায়দরবাদতা তেলঙ্গনা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারগী ওফিস মপান্দা হয়েঙ প্রোটেষ্ট অমা চত্থনবা মতম লেপখ্রে। পার্টি অসিনা দিল্লিদসু কেম্পেন তৌনবা থৌরাং তৌরি। তৌগদৌরিবা প্রোগ্রাম অদুগী মরিকুপ্সবশিং কোন্না লাউথোক্কনি।

কে টি আর হায়রগা হেন্না খঙনবা বি আর এস ৱার্কিং প্রিসিদেন্ট কে টি



রামা রাওনা বি আর এস এম এল এশিংনা মহুৎ শিল্লিবা কনষ্টিট্যুয়েন্সিশিংদা অচৌবা চাংদা ভোটরশিংগী মমিং লৌথোকখ্রে হায়রদুনা ভোটর রিভিজন প্রোসেস অদুগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থনবা দিমান্দ তৌখি।

পার্টি অদুনা হৌজিক থবক তৌরিবা সুপ্রিম কোর্ট জজ অমনা সুপরভাইজ তৌবা ইনক্কারি অমা দিমান্দ তৌখি অমসুং হিরম অসিগী মতাংদা সু মোতু কেস অমা লৌখৎনবা মকোকথোংবা কোর্ট অদুদা তকশিনখি।

কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াদগী হেন্না চাওদে। ইন্দিয়ান সিটিজন অমবু ভোট থাদনবগী মখোয়গী হক ফংহন্দবা য়ারোই হায়না চীফ ইলেক্সন কমিস্নারগী রেজিগনেসনগী মাগী দিমান্দ অমু হন্না চেৎশিনহল্লদুনা শগোলশেল নুমিৎতা সোসিয়েল মেদিয়া পোষ্ট অমদা রামা রাওনা হায়খি।

ইনষ্টিট্যুসনেল একাউন্টেবিলিটিগী মতাংদা মীওই অমা ঙাকথোকপদা হেন্না মরুওইনা লৌরিবা অদুদসু মহাক্না ৱাহং হংখি। মীওই অমত্তা ইনষ্টিট্যুসন অদুগী মথক্তা লৈতে হায়খি।

হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং বি আর এস দিপুটি ফ্লোর লিদর টি হরিস রাওনসু ইলেক্সন কম্মিসনগী থবক খুতৌদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং ইনষ্টিট্যুসন অদুনা মীয়ামগী থাজবা ঙাক্তুনা থম্বা ঙমদবা তারবদি রিজাইন তৌনবা মহাক্না আপিল তৌখি।

ইলেক্সন কম্মিসন অসি দেমোক্রেসিগী য়াংলেন শরু অদুনি, শক্তি পায়রিবা মীওইশিং অদুগী ঙাকথোক্লবা চুঙ্গোয় অমা নৎতে হায়না হরিস রাওনা হায়খি।

ভোট থাদনবগী কনষ্টিট্যুসননা পীবা হক অদু শোয়দনমক ঙাক্কদবনি অমসুং ইলেক্টোরেল প্রোসেস অদু মীচং মীখায় নাইদনা অমসুং মনুং মপান ফাওনা উবা মওংদা থবক তৌগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বি আর এসকী কেম্পেন অসি এস আই আরগী মতাংদা পাক শন্না ওপোজিসন প্রোটেষ্টশিং চত্থরক্লিঙৈ মনুংদনি।

কোংগ্রেস লুচিংবশিংনসু টেলঙ্গনাদা ভোটরশিং লৌথোকপা য়াবগী নুংনাংবশিং ফোঙদোকখি অমসুং কুমারগী রেজিগনেসন দিমান্দ তৌখি।

তোঙান্না, সিভিল সোসাইটি গ্রুপশিং অমসুং অতৈ ওর্গনাইজেসনশিংনা রিভিজন এক্সরসাসজশিং অদুদা অহোংবশিং পুরক্নবা দিমান্দ তৌদুনা হায়দরবাদকী ধর্না চোকতা ওক্টোবর ৩দা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোকখ্রে।

## Crossword # 1164



Across
1. Fuel source
5. Lucifer
10. Auctioned off
14. Brim
15. Start of a Dickens title (2 wds.)
16. Biblical pronoun
17. Part of speech
18. Macaroni, e.g.
19. Talk wildly
20. Hiking path
22. Torn
24. Spring holiday
27. Feet parts
28. Get together again
31. Certain grain
32. Against the current
34. Accident
38. Bind
39. Incensed
41. "The Greatest"
42. ____ door
45. Kinship
48. Capone and Roker
49. Football official
50. Blizzard
53. Beach acquisition
55. Broadcast
57. Expressed anger
61. Pretense
62. Poker stakes
65. Roman tyrant
66. Frosts
67. Locale
68. Group of three
69. Annoying one
70. Succinct
71. Look

Down
1. Penny
2. Perfume
3. Spanish water
4. Indulgent
5. Plant juice
6. ____ glance (2 wds.)
7. Test for flavor
8. Church table
9. Orderly
10. Roads
11. Chicago's airport
12. Smooth
13. Feats
21. Animal's den
23. Asian language
25. Beer mugs
26. Sad drop
28. Wheel tracks
29. Grand
30. Customer
31. Egg dish
33. Spoil
35. Locks
36. Sunburn remedy
37. Conifer
40. Coastal bird
43. Serious
44. Shade providers
46. Not nearby
47. Renters
50. Undress
51. Cease-fire
52. Desert stops
53. From that moment
54. Speak
56. Sail holder
58. Richard ____ of "Chicago"
59. Great Lake
60. Terrible fate
63. Certain dashes
64. View

পাউখুম লমায় ৭ দা ...








FREE OPD AT FREE OPD

Dr. Helena Eye Care Centre
North A.O.C. Imphal-795001

"WORLD SIGHT DAY" Ga mari Leinana lakliba Erai amdi Thangja (Friday & Saturday) 9th & 10th October, 2026 da OPD Free Oijagani

Facilities:-
1) Chahi 60 hellaba ahalsingda anakpagee anok lemna pijagani
2) Chahi 60 sudriba singda frame free da pijagani
3) Ahal oiraba singee ngoudong (Cataract) Free da Operation toujagani (Leipham Chapham, Louba Thinba Free oijagani)

Timing : 9:00am -3:00pm
Akupa Marolgidamak : 9774065535 contact toubiyu
Contact Toubagi matam: 9:00am to 3:00pm

N.B. For Appointment Patients Only

SL/KK/9,10


# শান্তি য়োকখৎনবা হোৎনখিবা মহাক্কী থবক্কীদমক টামিল-ওরিজিন জ্যুরিষ্ট নবনেথেম নৱি পিলেনা নোবেল পিস প্রাইজ ২০২৬ ফংখ্রে







ষ্টোকহোর্ম, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি):

চহী অসিগী নোবেল পিছ প্রাইজ ২০২৬ অদু নবনেথেম নৱি পিলেদা শান্তি অমসুং ইন্টরনেসনেল লো য়োকখৎনবা মহাক্না হোৎনখিবশিং অদুগীদমক পীখ্রে। নোবেল প্রাইজ অদুগী মতুং ইন্না, ঐখোয়গী মতম অসিগী খ্বাইদগী শিংথানিঙাই ওইবা ইন্টরনেসনেল কোর্ট কেস অয়াম্বগী খরদা জজ অমা ওইনা নেলসন মন্দেলা অমসুং এপরথাইটকী মায়োক্তা লেপখিবা অতৈশিং ঙাকথোকপদগী হৌরদগা মাগী সার্ভিসতা অমত্তা ওইবা লংলা অমা চেল্লি।

টামিলদা হৌরকফম ওইবা সাউথ আফ্রিকাগী দরবানদা লৈবা ইমুং অমদা পোকখিবা অমসুং চরাওরকখিবা পিলেনা লো তম্লকখি অমসুং এপরথাইটকী মায়োক্তা লেপখিবা এক্টিভিষ্টশিং ঙাকথোকপা থুনা হৌখি। মহাক্না ১৯৬৭দা মহাক মশাগী লো ফার্ম লিংখৎখি, ১৯৮০গী চহীশিংদা মহাক্না হরবার্দ য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তমথখি অমসুং১৯৮৮তা মাগী ডোক্টর ওফ জ্যুরিদিকেল সাইন্স দিগ্রি ফংখি।

পিলেবু ১৯৯৫তা সাউথ আফ্রিকাগী হায় কোর্টতা হাপখি। চহী ৪গী মতুংদা মহাক ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল ত্রিবুনেল ফোর রৱান্দা(আই সি টি আর)গী জজ অমসুং প্রিসিদেন্ট ওইরকখি। মদুগী মতুংদা পিলেবু ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্ট (আই সি সি)দা জজ অমা ওইনা থবক তৌনবা হাপখি।

মহাক্না ২০০৮তগী ২০১৪ ফাওবা য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কমিস্নার ফোর হ্যুমেন রাইটস (ও ঐচ সি ঐচ আর)ওইনা থবক তৌখি। নবি পিলেনা ২০২১দগী ২০২৫ ফাওবা ইজরেলনা খুদুম চল্লিবা পেলেষ্টিনিয়ান টেরিটোরিদা য়ু এন ইন্দিপেন্দেন্ট ইন্টরনেসনেল কম্মিসন ওফ ইনক্কারি চিয়ার অমসু ওইখি অমসুং ২০১৯দা মহাক্না মীয়াম পাক্তক্লনা হাৎপগী ম্যান্মরনা এক্যুজ ওইবা কেস অদুদা ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সি জে)দা এদ হোক জজ অমা ওইরকখি।

চহী অসিগী নোবেল পিছ প্রাইজ অসিগীদমক নোরৱেগী কোনুং ওসলোদা লৈরিবা নোরৱেজিয়ান নোবেল কম্মিটিনা ওরিবা কেন্দিদেট ২৮৭কী নোমিনেসনশিং ফংখি।

হৌখিবা চহীদা ভেনেজুয়েলাগী ওপোজিসন লুচিংবী কোরিনা মচাদোনা সাউথ আমেরিকা লৈবাক অদুদা দেমোক্রেটিক ট্রান্সিসন অমা ফংনবা মহাক্না চংশিনখিবা লাঞ্চং অদুগীদমক নোবেল পিছ প্রাইজ অদু ফংখি।

মহাকপু হেন্না হেন্না মমশিল্লক্লিবা অমম্বাগী মরক্তা দেমোক্রেসিগী মৈরি চাক্তুনা থমখিবী নুপী অমা ওইনা রিকগনাইজ তৌখি।

# গ্রেটর নোইদা সোসাইটিগী ১২শুবা মথোলদগী তারকপদা মধ্য প্রদেশতগী মীওই অমা শিখ্রে

গ্রেটর নোইর্দা, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সি):

নোইদাগী সেক্টর ৯৪দা সুপরনোভা বিল্ডিংগী ৪৩শুবা মথোলদগী নহা অমা চোংথদুনা শিখিবগী থম্মোয় শোকপা থৌদোক অদুগী চয়োল ১গী মতুং গ্রেটর নোইদা ৱেষ্টতা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অমগী ১২শুবা মথোলদগী মশাগী চহী ৩৬ শুরবা নহা অমসু চোংথদুনা ঙসি শিখ্রে।

মীওই অদু অনিল কুমার কৌই, বিসারখ পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা এস দিবিনো সোসাইটিদা লৈবা সন্তোস কুমারগী মচানুপানি। মহাক মধ্য প্রদেশকী নিৱালি দিষ্ট্রিক্টকী পৃথবিপুর খুন্দগীনি। মহাক দিপ্রেসন লৈ হায়না মাগী ইমুংনা পুলিসতা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা মখোয়না ইরাই নুমিৎতা পাউ ফংখি অমসুং মফম অদুদা টিম অমা থাখি।

অহানবগী থিগৎপদা মীওই অদুগী ইমুং মনুংনা পুলিসতা মহাক মতম খরদগী হৌনা দিপ্রেসন লৈ হায়খি। অদুম ওইনমক পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ওইথোকপা য়াবশিং য়েংশিল্লি অমসুং ইমুং অদুগী ষ্টেটমেন্ট অদুখক্তনা তারকখিবা অদুগী মরম অদু পুথোকপা ঙম্লোই হায়খি।

মসিগী মমাঙদা ওক্টোবর ৩দা সেক্টর ৯৪দা নোইদাগী সুপরনোভা বিল্ডিংগী ৪৩ শুবা মথোলদগী সমভাবা জেন চোংথখি।

মশাগী ২৯ শুরবা নুপা অদু হরিয়ানাগী গুরুগ্রামগী মনেশ্বরদা লৈবা মীওই অমনি। মসিগী মতাঙদা ফংখিবা অহানবা পাউগী মতুং ইন্না তারকপগী শাফু অদুনা মীওই অদুগী হকচাং অদু মচেৎ অনি থোক্লা কায় হায়খি। বোম পোকখায়বা মানবা মখোল অমসু কমপ্লেক্স অদুদা তাখি।

### সনা-সুদোকু-১১০৩গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | 5 | 7 | 9 | 2 | 6 | 8 | 4 |
| 4 | 8 | 2 | 6 | 3 | 1 | 9 | 5 | 7 |
| 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 | 2 | 1 | 3 |
| 1 | 6 | 9 | 8 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 |
| 5 | 4 | 7 | 2 | 1 | 6 | 8 | 3 | 9 |
| 8 | 2 | 3 | 4 | 5 | 9 | 7 | 6 | 1 |
| 2 | 5 | 4 | 3 | 8 | 7 | 1 | 9 | 6 |
| 7 | 9 | 8 | 1 | 6 | 4 | 3 | 2 | 5 |
| 6 | 3 | 1 | 9 | 2 | 5 | 4 | 7 | 8 |

In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam

*Ref. :- Mutation Case No. 251/SDC/IW(S) Dated 08/10/2026*

1) Nongmaithem Sharatkumar Singh S/O (L) N. Inaotombi Singh of Yaiskul Hiruhanba Leikai.
2) Nongmaithem Nalini Devi D/O (L) N. Inaotombi Singh of Keishamthong Hodam Leirak.
3) Okram Laidongmacha Devi W/O (L) N. Ibohal Singh of Keishamthong Hodam Leirak.
4) Nongmaithem Victoria Devi D/O (L) N. Inaotombi Singh of Wahengbam Leikai. -Petitioner

-VS-

Late Nongmaithem (O) Ombisana Devi W/O (L) Inaotombi Singh of Keishamthong Hodam Leirak. -Opposition Party

**ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE**

*Salam, the 8th, October, 2026*

Under Section 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা Salam তাহশিলগী খুল নং 79-Longa Koireng গী অনৌবা পাট্টা নং 64/231, দাগ নং 385/417 এরিয়া 2.60001 একর চাওবা *ফৌরেল লৌফম* অসিগী পাট্টাদার Nongmaithem (O) Ombisana Devi পীং Inaotombi Singh সাং Keishamthong Hodam Leirak অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioner গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মরম অদুনা *ফৌরেল লৌফম* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজগনি।

SL/10

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam, Imphal West

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা অমসুং নুপী হেন্দবোল টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা য়াওগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ
উট্টর প্রদেশকী ভরানাসিদা লৈবা বনারস হিন্দু য়ুনিভসিটিদা মথং থা নবেম্বর ২দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি হেন্দবোল (মেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭ অমদি বিহারগী দারভাঙ্গাদা লৈবা এল এন মিথিলা য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি হেন্দবোল (ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭দা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভসিটিগী নুপা অমসুং নুপী শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা য়াওগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

এম য়ুগী নুপা অমসুং নুপী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা য়াওগদবা শান্নরোইশিং অসি অসি থা অসিগী ৬তা শ্রী শ্রী গৌরাগোবিন্দ গালর্স কোলেজ খুরাইদা পাঙথোকখিবা মণিপুর য়ুনিভসির্টি ইন্টর কোলেজ হেন্দেবোল (মেন এন্দ ৱুমেন) ২০২৬-২৭দা পীখিবা পার্ফোমেন্সদা য়ুন্ফম ওইরগা খনখিবনি।

ত্রাইয়েলদা য়াওগদবা নুপা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা প্রভাবতি কোলেজকী সুরজ অঙোম, এনজি মণি কোলেজগী ঐচ বিগ্যানন্দ শর্ম্মা অমসুং বি এম কোলেজগী ৰাই পাইখোম্বানি।

প্রভাবতি কোলেজগী অসেম প্রেমসন, অরিবম মণিচন্দ্র, অখাম য়াইখোম্বা, লৈহাওতাবম নরেশ শর্ম্মা, হরিদাস ৰাইখোম অমসুং লাইশ্রম জেমসবোন্দনি।

বি এম কোলেজতগী এল হেম্বা, এল বেকখম, টিঐচ অভিজিৎ, সাথিশ কোঞ্জেংবম, ৰাই চিংলেনসনা, কে ক্রিনিভানি। এনজি মণি কোলেজগী এন সিশতলজিৎ, টিঐচ য়াইফবা, জেনরেল ক্ষেত্রিময়ুম, এ তোন্দোনবা, আরকে দেভজিৎ অমসুং নহাকপম লমজিংবানি।

এন বি কোলেজগী ইরোম কেনেদি, শরাংথেম নিষ্টেলরোদি অমসুং চান্দম কেনেদিনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী নিভাস ওক্রম, কৈশাম জোন্সন অমসুং তাখেল্লম্বম বোরিশ মৈতৈনি।

নুপী শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা এস এস জি জি কোলেজগী হিদংময়ুম নিতেশ্বরী, এন বিহারি কোলেজগী হিদম সোমি অমসুং টিঐচ অশা দেবীনি।

এস এস জি জি কোলেজদগী য়ুম্নাম মোনিকা, ইরোম রোনিবালা, লৈশাংথেম উমাপতি, খাগোকপম মেলোদা, ওইনাম নাইদিয়া খুমন, বিনাপানি চোংথাম অমসুং কোঙ্খাম প্রিয়ঙ্কানি।

এন বিহারি কোলেজদগী নোংমাইথেম রুবিয়া, পুখ্রম্বম এলিশা, পুংয়াম্বম মিঙ্কি, য়ুম্নাম রোবিনালা অমসুং পুজা সাইখোমনি।

বি এম কোলেজদগী কে ভেরোনিকা, এল লোইদাংতোম্বী, টিঐচ অঞ্জলি, এম ভিদ্যানন্দীনি অমসুং ঐচ চাউবানি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা ত্রাইয়েলগীদমক থা অসিগী ১৪গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুর্নিভসিটিগী ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা ফুল কিটসা কোন্না লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি।

লোয়ননা থা অসিগী ৬তা শ্রী শ্রী গৌরাগোবিন্দ গালর্স কোলেজ খুরাইদা পাঙথোকখিবা মণিপুর য়ুনিভসির্টি ইন্টর কোলেজ হেন্দেবোল (মেন এন্দ ৱুমেন) ২০২৬-২৭দ শরুক য়াহৌদবা কোলেজ, ইন্সটিট্যুটসনশিংনা ত্রাইয়েল সেলেক্সনগীদমক শান্নরোই ৩ / ৩ নোমিনেট তৌরক্কবা মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ডা. সিঐচ প্রদিপ সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## নুপীগী ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ
খেলো ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ২৩২ শুবা মহিলা বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা পাঙথোকপা নুপীগী অন্দর-১৮ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১২দগী ১৪ ফাওবা প্রিসিদেন্সি কোলেজ মোটবুং ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোল্লগনি।

খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট- প্লে ফোর পিছ, প্লে ফোর বেট্টর সোসাইটি হায়বা ৰাখল্লোনদা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপীশিংতগী ওইবা ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৩০, অনীশুবা পোজিসনদনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০ অমদি অহুমশুবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০গা লোয়ননা মেদল অমদি সাটিফিকেট খুৎশিন্নগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিবু মপুং ফাহন্নবা ২৩২ মহিলা বট্টালিয়নগী মায়কৈদগী অপিল তৌরক্লি। লোয়ননা ইম্ফালদসু অথুবা মতমদা নুপীশিংতগী ওইবা ফুটবোল অমদি ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টসু পাঙথোল্লগনি হায়রি।

*মণিপুর পুলিস ফুটবোল কপ ২০২৬ :*

# য়ু এস এ অমসুং ক্রিপ্সা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর পুলিসনা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিসতা চথরিবা মণিপুর পুলিস ফুটবোল কপ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু এস এ খুরাই অমসুং ক্রিপ্সা মায় পাক্কুনা মথংগী রাউন্দ চঙনখ্রে।

টুর্নামেন্টগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা য়ু এস এ খুরাইনা এম পি এস সিবু পেনাল্টি সুট আউটতা ৪-২দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অপিবা মতম লোয়বা ফাওবা গোল ১-১দা লৈনবদগী পেনাল্টি সুটআউটতা মথংগী রাউন্দ চঙনবগী লাইবক লেপ্পখি।

অপিবা মতমদা চনখিবা য়ু এস এগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ এস সন্তোশনা মেটচকী ৩৪শুবা অদুগা এম পি এস সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৫ ও রোসননা মেটচকী ৫৮শুবা মিনিটতা চনখি।

পেনাল্টি সুট আউট অদুদা য়ু এস এগী এস সন্তোশ, জর্সি নম্বর ১০ এস লোয়াঙানবা অমসুং জর্সি নম্বর ২৪ দব্লিউ দিনেসনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ৪ কে রোসিক্কি খক গোল ওন্থোকপা ঙমদবদগী য়ু এস এগী মখুৎতা ৪-২দা মায়থিবা নঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা য়ু এস এগী জর্সি নম্বর ২৩ এস পরশমণি অমদি এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ৬ এল জেকোপ, জর্সি নম্বর ২০ এম প্রদিপ রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বক তৌখি অদুগা এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ২২ এমদি বোস দবল কোসন বুক তৌবদগী মেটচতগী মপান থোকহনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ক্রিপ্সানা এ আই এম খাবমবু পেনাল্টি সুট আউটতা ৭-৬দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদসু টিম অনীমক্না অপিবা মতম ফাওবা গোল ১-১দা লৈন্নবদগী পেনাল্টি সুট আউটনা লাইবক লেপ্পখি।

অপিবা মতমদা চনখিবা ক্রিপ্সাগী গোল অদুনা জর্সি নম্র ৬ জোস মৈতৈনা মেটচকী ৯০ প্লস ১দা অদুগা এ আই এমগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২২ এম বর্লিননা মেটচকী ১৪শুবা মিনিটতা চনখি।

পেনাল্টি সুট আউটতা চনখিবা ক্রিপ্সাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ এম দাভিদ, জর্সি নম্বর ৭ এস ধনঞ্জয়, জর্সি নম্বর ২৪ এমদি সয়েদ, জর্সি নম্বর ৩ এল ধনঞ্জয়, জর্সি নম্বর ১৭ এম চৌরজিৎ অমসুং জর্সি নম্বর ৬ আই জোস মৈতৈনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা এ আই এমগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২২ এম বার্লিন, জর্সি নম্বর ২৩ মনোজ রাই, জর্সি নম্বর ১৪ এন নেনাল্ডো, জর্সি নম্বর ২ এন বার্লিন অমসুং জর্সি নম্বর ১৯ এন কাবানা গোল ওন্থোকপা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ক্রিপ্সাগী জর্সি নম্বর ৩ এল ধনঞ্জয় মেটচকী ১৩শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

হয়েং অহানবা মেটচ ওইনা সাইনিক এফ সি অমসুং টুগপু নম্বোলগী অমদি অতোপ্পা মেটচতনা রাও অমসুং আর এফ জি সিগা শান্নরগনি।

## বিমোলজিৎ এঠলেটিক কম্মীটিগী ভাইস চিয়ারমেন ওইনা হাপ্লকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ
থা অসিগী ৮দা পাঙথোকখিবা ৱুশু এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল বোদি মীটিংদা ময়াংলম্বম বিমোলজিৎপু এসোসিয়েসন অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা খল্লকখিবগা লোয়ননা এঠলেটিক কম্মীটিগী ভাইস চিয়ারমেন ওইনা হাপ্লকখিবদা তুরেল ৰাংমা য়ং লন্নরস এসোসিয়েসন ককচিংনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

ময়াংলম্বম বিমোলজিৎ ককচিং তুরেল ৰাংমা নিংথৌ পরেংদগী ময়াংলম্বম নরান অমদি ময়াংলম্বম ওংবী সকুন্তলা দেবীগী মচানুপানি।

বিমোলজিৎ অর্জুনা এৱার্দি ওইবতা নত্তনা ৱুশু হায়রিবা মশান্না অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা এসিয়ান গেমসতা ইহান হান্না মেদল লৌবা ঙমখিবতা নত্তনা থংন থংননা এসিয়ান গেমসতা অনীরকশুবা ওইনা মেদল লৌবসু ঙমখিবা ৱুশু শান্নরোইনি।

মহাক হৌজিক হৌজিক মণিপুর গভর্ণমেন্টকী য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওইনসু থৌ পুরি।

## এম য়ুগী নুপা ভোল্লিবোল টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকটাদা লৈবা অদামস য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২৭তগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ভোল্লিবোল (মেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭তা শরুক য়ানবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা ভোল্লিবোল টিম শেমখ্রে।

এম য়ু নুপা টিম অসি থা অসিগী ৮দা ওইনাম ইবেতোন দেবী মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ভোল্লিবোল (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭দা মখোয়না পীখিবা পার্ফোমেন্সনা য়ুম্ফম ওইরগা খনখিবনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি নুপা টিমদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদুদি এটেকরদা এম য়ুগী রেদীমসন রোংমৈ, লিবরেল কোলেজগী লাইশ্রম রাজশাকসেনা অমসুং থম্বাল মরিক কোলেজতগী হাশন বুয়ানি।

সেট্টরদা ইম্ফাল কোলেজদগী এস চলাম্বা অমসুং থম্বালমরিক কোলেজগী কে অবিনাশ সিংহনি। সেন্তর ব্লোক্তা থৌবাল কোলেজগী এন অমর, ময়াইলম্বী কোলেজগী ঐচ হেরামণি অমসুং থম্বাল মরিক কোলেজগী ও অনোল্ড সিংহনি। য়ুনিভসেলদা থম্বাল মরিক কোলেজগী এন অনিশ অমদি লিবেরোদা থম্বাল কোলেজগী জি রোহিট শর্ম্মানি।

রিজাভ প্লেয়রদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী য়াইফবা হুইদ্রোম (এটেকর), বিরামঙ্গোল কোলেজগী কেঐচ চিঙ্খৈঙানবা (এটেকর), লিবরেল কোলেজগী খোইস্নাম নেলসন (এটেকর), থৌবাল কোলেজগী ৰাইরোকপম জেক্সন (সেট্টর) অমদি থম্বাল মরিক কোলেজগী ওইনাম মুক্তা (ওল রাউন্দর)নি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১২গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা ফুল কিটসকা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরনবা এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস এম য়ু ডা. সিঐচ প্রদিপ সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ফেসোক কপ ২০২৬ পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ
ফেদরেল ষ্টুদেন্ট ওর্গাইজেসন কংলৈপাক (ফেসোক)না অহানবা ওইনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬তগী ২৯ ফাওবা ফেসোক কপ হায়না মীংথোনবা অন্দর-১৫ ইন্টর স্কুল ৭ এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ পাঙথোল্লগনি হায়রি।

ইম্পোৱরমেন্ট য়ুঠ তু লিদ রিস্পোন্সিবাল লাইফ হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইবেট স্কুলগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াবিনবা ফেসোক্কী সেক্রেটরী পল্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কপ অসিগী অকুপ্পা মরোল ফেসোক্কী হেদ ওফিস অমদি ওর্গনাইজেসন অসিগী লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিং নত্রগা ৯৬৬২১৫১৩৮৯ নত্রগা ৯৩৬৬৮১৬০৯৬ নত্রগা ৬০০৯৪৪৫৩৯৯০দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

ৱিন্নরদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি সার্টিফিকেট, রন্নরস অপ্পা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি সার্টিফিকেট, বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট গোলকিপর, তোপ স্কোরর অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিন স্কুলদা লুপা লিশিং অমমমগা লোয়ননা ট্রোফি অমদি সার্টিফিকেটশিং লৈরিবা কপ অসিগী ফোমগী মমলনা ফ্রি ওইবগা লোয়ননা টিমশিংগী রেজিষ্ট্রেসনন লুপা লিশিং ২ ওইরি।

## এল এস কে কাংখুৎ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (এস এন এস)ঃ য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা চথরকখিবা লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এল এস কে ৱাঙ্গোয় কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

মেটচ অসিদা এল এস কে ৱাঙ্গোয় কাংখুৎনা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎপু পাঞ্জল ২০-১৪দা মায়থিবা পীখি। মায় পাল্লবা এল এস কে ৱাঙ্গোয় কাংখুৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা ১২ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা ৮ স্কোর তৌখি। মায়থিরবা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা ৪ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা ১০ স্কোর তৌখি। মথংগী মেটচ ওইনা হয়েং গোপালদেব (এন) অমসুং ক্লাসা ওইনাম কাংখুৎনা শান্নরগনি।

## সি এস সিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ
সেন্ত্রেল স্বীম্মিং ক্লব (সি এস সি) ৰাঙ্খৌ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবগী ফাউন্দর মেম্বর অমদি এদভাইজরিগী থৌ পুবিরম্বা অথোকপম অজয়কুমারনা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ক্লব অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমদা ক্লব অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমদি ফাউন্দর মেম্বর এদভাইজরি কম্মীটিনা মিনিট ২ তুমিন্না লৈপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী মফমদা ইংনা চীক্লা লৈরুনবা থৌনিজখিবগা লোয়ননা লৈখিদবগী ইমুং মনুংনা নঙহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## সেনিয়র খো-খো চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২৩দগী ২৬ ফাওবা পোরোম্পাৎ থৱানথাবদা লৈবা য়ু ৰাই এল এগী প্লে গ্রাউন্দদা ৪৮শুবা ষ্টেট সেনিয়র খো-খো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬-২৭ পাঙথোল্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি রেসিদেন্সিয়েল ওইনা নুংথিল অমদি নুমিদাংদা শান্নবগা লোয়ননা লৈফম চাফমগী খুদোংচাবসু ওর্গনাইজিং কম্মীটিনা শেম শারি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংনা টুর্নামেন্ট কম্মীটিগী কনভেন্নরদা ইন্ট্রি ফোর্ম পীশিনগদবনি।

নৌনা এফিলিয়েসন তৌনিংবা টিমশিংনা লুপা ৫০০, রিনুয়েল এফিলিয়েসননা লুপা ৩০০, টিম অমগী ইন্ট্রি ফীনা লুপা ২০০ ওইবগা লোয়ননা রেজিষ্ট্রেসন ফিনা লুপা ৩০ / ৩০ ওইগনি হায়রি।

শরুক য়াগদবা টিমশিংনা মখোয় মখোয়গী য়ুনিটকী ফ্লেগশিং পুরক্কবা খঙল্লকপগা লোয়ননা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অকুপ্পা মরোলগীদমক মণিপুর এমেচর খো খো এসোসিয়েসনদগী খঙলবা হায়গনি হায়রি।

*দি সি চান্দেল ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ :*

# চাকপিকারোং ৱাই সিনা মহামানি মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৯, (এস এন এস)ঃ
দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স, চান্দেল খৃষ্টিয়ানদা চথরকপা দি সি চান্দেল ট্রোফি (সুপর, ফাষ্ট অমসুং সেকেন্দ দিভিজন) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬গী ঙসি ফাষ্ট দিভিজনগী শান্নখিবা মেটচতা চাকপিকারোং ৱাই সিনা মহামনি ৱাই সিবু গোল ৬-১দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাল্লবা চাকপিকারোং ৱাই সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ ঐচ বি বেথাহরিংনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৪, জর্সি নম্বর ১৯ এস পি জয়ঙমনা মেটচকী ১২শুবা, জর্সি নম্বর ৭ এন এল কালুন, জর্সি নম্বর ৯ পি ৱাই ইর্লিষ্টারনা ৪৬শুবা মিনিটতা চনখি। অতোপ্পা গোল অদুনা মহামানি ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৩ বিজয়না মেটচকী ৬৬শুবা মিনিটতা আউন গোল ওইনা চনবিখি।

মায়থিরবা মহামনি ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৯ পুনথাহরিননা মেটচকী ৬৮শুবা মিনিটতা চনখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা চাকপিকারোং ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৯ পি ৱাই ইর্লিষ্টার মেটচকী ৪৯শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি ঐচ এল অটলিনা রেফরি, টিঐচ কোশিংৱারনা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু, ইলিয়া কাংতেননা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমদি লোরেন্সনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসি নুংথিল গ্রাউন্দ অসিমক্তদা শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজনগী অহানবা মেটচ ওইনা চারানচিং খুনৌ ৱাই সিনা ফুনচুং ৱাই সিবু গোল ৫-০দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাল্লবা চরানচিং খুনৌ ৱাই সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৯ রেংজয়না মেটচকী ১৩শুবা অমসুং ৮৮শুবা অমদি জর্সি নম্বর ৭ পামৈনা মেটচকী ২৩ শুবা অমসুং ৩৫শুবা মিনিটতা মখোয় অনীমক গোল অনী অনী চনবা ঙমকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ রেংৱাঙমনা মেটচকী ৭০শুবা মিনিটতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি লোরেন্সনা রেফরি, আরদি তাঙনিনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, নাকিসননা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমসুং নিংথানা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

দিভিজন অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদনা উনোপাট ৱাই সিনা লারোং খুল্লেন ৱাই সিবু পেনাল্টি সুট আউটতা ৬-৫দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অপীবা মতম লোয়বা ফাওবা ১-১দা লৈনবদগী কিক ওফ পেনাল্টিনা মেটচকী লাইবক লেপ্পা তাখি। মদুদা উনোপাট ৱাই সিনা লারোং খুল্লেন ৱাই সিবু গোল ৬-৫দা মায়থিবা পীখিবনি।

অপিবা মতমদা চনখিবা উনোপাট ৱাই সিগী গোল অদুননা জর্সি নম্বর ২ সিমোন লুখু অনালনা মেটচকী ৬০শুবা অদুগা লারোং খুল্লেন ৱাই সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২১ দব্লিউ আই বেলাহরিংনা মেটচকী ২৭শুবা মিনিটতা চনখি।

পেনাল্টি সুট আউটতা চনখিবা উনোপাট ৱাই সিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ সার অগষ্টিন, জর্সি নম্বর ১৪ অজুলে, জর্সি নম্বর ৯ রোয়ঙাম, জর্সি নম্বর ৬ মুন্থা, জর্সি নম্বর ২ সিমোন অমসুং জর্সি নম্বর ৩০ মিকানা গোল ওন্থোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা লারোং খুল্লেনগী পেনাল্টি গোলশিং অদুনা কোলোবিওন, বেলাহরিং,ঙমহরিং অমসুং দামহরিংনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি।

হয়েং ফাষ্ট দিভিজনগী অহানবা মেটচ ওইনা গ্রুপ-এগী রিন্দামখু এস সি অমসুং মোন্সাং পন্থা ৱাই সি সিনা অয়ুক পুং ৭ তাবদা, নুংথিলগী মেটচ ওইনা চান্দেল খৃষ্টিয়ান ৱাই সি অমদি লিৱা খুল্লেন ৱাই সিনা শান্নরগা নুংথিল পুং ২ তাবদা গ্রুপ-বিগী মেটচ ওইনা অঙ্খোলচায়াং ৱাই সি অমসুং চেঙ্খু ৱাই সি সিনা শান্নরগনি।






Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com